দাদা ভগৱান প্ররুপিত

# সেবা-মতেং পাঙবা



অদোম্না ইশাগী উহৈ অতোপ্পবু পীরবদি মহৌশানা অদোমগী পুম্নমক ঙাকশেনগনি।

Manipuri

দাদা ভগৱান কথিত

# সেবা-মতেং পাঙবা

'Edited by Dr. Niruben Amin and Translated in Manipuri by Followers '

**Publisher** : **Mr. Ajit C. Patel**

Dada Bhagwan Vignan Foundation,
1, Varun Apartment, 37 ,Shrimali Society,
Opp. Navrangpura Police station,
Navrangpura Ahmedabad: 380009
Gujarat,India.
Tel: +91 79 3500 2100, +91 9328661166/77

© : **Dada Bhagwan Foundation**

5, Mamtapark society, B/h. Navgujarat College,
Usmanpura, Ahmedabad-380014. Gujarat-India.
Tel: +91 9328661166/77
Email: info@dadabhagwan.org

**All Rights Reserved. No part of this publication may be shared, copied, translated, or reproduced in any form (including electronic storage or audio recording) without written permission from the holder of the copyright. This publication is licensed for your personal use only.**

**First Edition** : 500 copies May, 2023

**ভাৱ মমল** : 'পরম বিনয়' অমসুং
'ঐ করিগুম্বা অমত্তা থঙজদে', হায়বা ভাৱ !

**Price** : 40 ₹

**Printer** : Amba Multiprint, in front of H.B Kapadiya New High School, Chhatral-Pratapura Road, Chhatral, Ta.Kalol, Dist.Gandhinagar-382729, Gujarat.
Phone : +91 7935002142

**ISBN/eISBN** : 978-93-91375-48-5

**Printed in India**

# ত্রি-মন্ত্র








নমো অরিহন্তানম

নমো সিদ্ধানম

নমো আয়রিয়ানম

নমো উবজঝায়ানম

নমো লোয়ে সব্বসাহুনম

এ্যায়সো পনচা নমুক্কারো

সব্ব পাবপ্পনাশনো

মঙ্গলাণম চ সব্বেসিম

পঢমম হৱই মঙ্গলম ॥১॥

ॐ নমো ভগবতে বাসুদেবায় ॥২॥

ॐ নমঃ শিবায় ॥৩॥

জয় সচ্চিদানন্দ



## দাদা ভগৱান কনানো?

ইং1958গী ইঙা থাগী নুমিদাং ৱাইরমগী পুং৬ মতম্রি, মীয়াম্না, পীক-থল্লবা সুরত শহরগী রেলৱে স্তেশনদা ফমলিবা শ্রী এ.এম পাতেল মওং ওইবা হকচাং-মন্দির 'দাদা ভগৱান'বু মপুংফানা ফাওগৎখিরম্মী অমসুং মহৌশানা শেল্লকপা অধ্যাত্মাগী খ্বাইদগী অচৌবা অঙকপা। পুং১গী মনুংদা ব্রমহানবু উথিরম্মী। 'ঐ কনানো? ভগৱান কনানো? জগত কনানা শিল্লীবনো? কর্ম করিনো? মুক্তি করিনো? 'অসিদসু নত্তনা জগতকী অধ্যাত্মাগী ৱাহং কয়াগী মপুং ফারবা থোংফম লম্বী প্রগত ওইখি।

মহাক্না ফংখিবগুম্না, মদুগুম্না শুপ্নতগী পুং২গী মনুংদা অতোপ্পবুসু ফংহল্লমই, মহাক্কী অঙকপা সিদ্ধ তৌরবা জ্ঞান প্রয়োক্তগী। মদুবু 'অক্রম লম্বী' কৌই। ক্রম হায়বদি সিরীগী মথক্তা সিরী, মথং-মনাও নায়না মথক্তা কাবা! অক্রম হায়বদি ক্রম নত্তবা, লিফ্টকী লম্বী, শোর্ট-কট।

মহাক মশামক্না মীওই খুদিংমকপু 'দাদা ভগৱান কনানো'?মদুগী মরি-মথোং ফোংদোক্তুনা হায়রম্মী মদুদি, ''মসি অদোম্না উরিবসি মহাক দাদা ভগৱান নত্তে, ঐহাক্তি জ্ঞানী পুরুষনি অমসুং মনুংদা প্রগত ওইরিবা, মহাক 'দাদা ভগৱান'নি। লোক ১৪গী মপুনি।মহাক অদোমদসু লৈ, পুম্নমক্তসু লৈ। অদোমদা ফোংদোক্তবা মওংদা লৈ অমসুং 'মসিদা' ঐহাক্কী মনুংদা মপুংফাবা মওংদা ফোংদোক্লি।ঐহাক ইশামক ভগৱান নত্তে।ঐহাক্কী মনুংদা প্রগত ওইরিবা দাদা ভগৱানবু ঐহাক্সু খুরুমজে।"

## আত্মাজ্ঞান ফংন্নবগী প্রত্যক্ষ লিঙ্ক

পরম খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱান(দাদাশ্রী)না 1958তা আত্মাজ্ঞান প্রগত ওইখি। মদুগী মতুংদা 1962দগী 1988ফাও দেশ-বিদেশ কোইদুনা মুমুক্ষুশিং(মুক্তিবু ফংনিংলিবা)বু সতসঙ্গ অমদি আত্মাজ্ঞানবু ফংহল্লম্মী।

দাদাশ্রীনা লৈরিঙৈদা খুরুমজনিংঙাই ওইরবা ডা. নীরু বহেন অমীন(নীরু ইমা)বু আত্মাজ্ঞান ফংহন্নবগী জ্ঞানসিদ্ধি খুৎশিন্নখি। দাদাশ্রীনা হকচাং থাদোক্লবা মতুংদা নীরু ইমানা মদুগুম্না মুমুক্ষুশিংবু সতসঙ্গ অমসুং আত্মাজ্ঞানবু ফংহন্নবা, নিমিত্ত ভাৱদগী তৌরম্মী।

আত্মাজ্ঞানী খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপক ভাই দেসাইবু দাদাশ্রীনা সতসঙ্গ তৌন্নবগী সিদ্ধি খুৎশিন্নখি। হৌজিক খুরুমজনিংঙাই ওইরবা নীরু ইমাগী অশীর্বাত্তগী খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপক ভাই দেশ-বিদেশতা নিমিত্ত ভাৱদগী আত্মাজ্ঞান ফংহল্লি।

মসি আত্মাজ্ঞান ফংলবা মতুংদা, মুমুক্ষু লিশিং কয়ানা সংসারদা লৈরসু, মথৌ পুম্নমক পাংথোক্তুনা মুক্তা লৈদুনা আত্মাদা লৈবগী নুংঙাইববু অনুভব তৌইরি।

# থঙহনজবা

জ্ঞানী পুরুষ মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱানগী শ্রীমুখদগী অধ্যাত্ম অমসুং ব্যবহারজ্ঞানগা মরিলৈন্না ঙাংথোকরকপা ৱাহৈ, মদুবু রেকোর্ট তৌদুনা খোমজিন্বা অমসুং নমথোক্তুনা লাইরিক্কী মওংদা পুথোকচরি। ওরিজিনেল মওং ওইনা গুজরত্তি লোনদা পুথোকপা ওই। মসি মদুগী ওরিজিনেল লাইরিক্তুদগী হন্দোকপনি। তোঙান-তোঙান্বা সবজেক্টশিংগী মথক্তা থোক্লকপা সরস্বতীগী অঙকপা অদুগী খোমজিন্বা মসি লাইরিক অসিদা তৌরি, অনৌবা পাবিরিবশিংগীদমক বর্দান মওং ওইনা থুদম ওইগনি।

পুথোকচারিবা লোন-হন্থোচবা অসিদা ঐহাক্না মরুওইবা চেকশিন্বা অসি থমজৈ মদুদি পাবিরিবনা দাদাজীগী ৱাহৈবু তবিরিবগুম, অসিগুম্না ইশাদা ফাওবা অসি ওইশনু হায়না, মসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা মফমশিংদা লোন হন্দোক্লিবগী ৱাহৈপরেং মনিপুরি ব্যাকরনগী মতুং ইন্না অশোয়-অঙামশিং য়াওবা য়াই, তৌইগুম্বসুং মসিদা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুবু খঙবিদুনা পাবিরবদি হেন্না কান্নাবা ওইগনি।

পুথোক্লিবা লৈরিক অসিদা মফম খুদিংদা ব্রেকেটকী মনুংদা উৎলিবা ৱাফম নত্রগা ৱাহৈ মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা ঙাংথোক্লকপা ৱাহৈশিংবু থোইদোক হেন্থোক্না ময়েক শেংনা খঙনবগীদমক ইজবনি। হায়বদি মফম খরাদা অংগ্রেজি ৱাফমশিংগী মনিপুরি অর্থগী মওংদা থমজরি। দাদাশ্রী শ্রীমুখদগী থোক্লকপা গুজরত্তি ৱাহৈ মদুগা চপ মান্না ইটালিক্সতা থমজরি, মরমদি মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মনিপুরিদা অসিগুম্বা ৱাহৈ লৈতে, মদুগী মপুংফাবা অর্থ পীবা ঙম্বা। মসি নত্তবদা মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মান্নবা ৱাহৈ, অর্থগী মওংদা ব্রেকেটত পিজরি।

জ্ঞানীগী ৱাহৈবু মনিপুরি লোন্দা চপ-মান্না হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনজৈ তৌইগুম্বসুং দাদাশ্রীগী আত্মাজ্ঞানগী অশেংবা নুংগী ৱাখললোন, চপ-চানা চপ-মান্না মদুদি, অদোম্না গুজরত্তি লোনদা ওইনা হেন্না মমুত্তগনি। কনাগুম্বনা জ্ঞানবু খমথেংনা খঙগে হায়রবদি, জ্ঞানগী অশেংবা নুংগী ৱাফমবু খঙগে হায়রবদি, মহাক্না মসিগীদমক গুজরত্তি লোনবু তম্বিয়ু, অসুম্না ঐহাক্না নোল্লুক্না খঙহনজরি।

লোন হন্দোকপগা মরিলৈনবা অৱাৎপাশিংগীদমক অদোমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি। We will appreciate your suggestion & grammatical mistake correction. You can give your valuable feedback at nlt.m@dadabhagwan.org

# Editorial

মসি পূন্নীং-ৱাহৈ-হকচাং অতোপ্পগী নুংঙাইন্নবগীদমক শিজিন্নরবদি ইশামকপু সংসারদা করিগুম্বদা ফাও নুংঙাইবগী অৱাৎপা লৈরোই। অমসুং ঐখোয়না ইশাগী সেল্ফপু রিয়লাইজেশন তৌরবদি, মদুদগী পর্মেনেন্ট নুংঙাইবা ফঙবা ওইরি। মীওইবা পুন্সিগী পান্দমদি মসি থক্তনি। মসি পান্দম অসিগী লম্বীদা করিগুম্বা চৎলবদি মীওইবা মপোক্তা পুন্সিবু মুক্তি ওইবগী দশা ফঙবা ওইগনি। মদুগী মমাংদা মসি পুন্সি অসিদা করিগুম্বা অমত্তা ফঙগদৌবা লেমহৌবা লৈত্রে!

হৈনৌ পাম্বীনা মশাগী হৈনৌ কয়াম য়াম্না চারমগনি? মহাক্কী উহৈ, ঊ, মনা অসিনচিংবা পুন্নমক অতোপ্পা মীওইশিংগীদমক কান্নবা ওইদনা? মদুগী মহৈগী শক্তম ওইনা মহাক্না ঊধর্ৱগতি(অৱাংবা মপোক)ফঙদুনা লৈগনি। ধর্মগী অহৌবসু ওবলাইজিঙ্গ নেচর(মতেং-পাঙবগী ৱাখল)দগী ওই। অতোপ্পবু করিগুম্বা অমা পীবদগী, মতম অদুদগী মশাবু নুংঙাইবা ফাওবা হৌই।

মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা ৱাহৈ অমথক্তদা হায় মদুদি মমা-মপাশিংগী অঙাংশিংনা সেবা তৌবা, মখোয়না করিগুম্বদা পৈশাগী অৱাৎপা লৈরোই, মখোয়গী দরকার ওইবা পুন্নমক ফঙবা ওইগনি, অমসুং আত্মা সাক্ষাতকার ওইবা গুরুগী সেবা তৌরবদি, মহাক্না মোক্ষতা চৎকনি।

দাদাশ্রীনা মশাগী পুন্সি চুপ্পদা মসিগী পান্দম অসি থমথি মদুদি ঐহাক্না কনাগুম্বা থেংনরবদি, মহাকপু নুংঙাইবা ফঙবা ওইগদবনি। ইশাগী নুংঙাইন্নবগীদমক ৱাখল ফাও থনখিদে। তৌইগুম্বসুং মাংদা লৈরিবা অদুবু করি অৱাবা লৈবগে, মহাক্কী অৱাবা করম্না কোক্কনি, মদুগী ৱাখলদা লেপ্পা লৈতনা লৈরম্মী। মতমদুদা মঙোন্দা কারুন্যতা শাফোঙবা ওইখি। অঙকপা অধয়্যাত্ম বিজ্ঞান শাফোংবা ওইখি।

পুথোকচরিবা খোমজিন্না অসিদা দাদাশ্রীগী মীৎয়েং-চিথেক কয়াশিংদগী পুন্সিগী পান্দম করম তৌনা সিদ্ধ তৌগনি, সেবা–অতোপ্পবু মতেং পাঙবা ওইনা, মদুগী জ্ঞান অরাইবা-মপুংফারবা দ্রাষ্টানশিংদগী ফিত তৌহল্লি। কনাগুম্বনা পুন্সিদা পান্দম মওং ওইনা লেপ্লগদি, মদু ওইরবদি মীওইবা পুন্সি অসি মায়পাক্লে হায়গনি!

**– ডাঃ নীরু বহেন অমিন**

# সেবা-মতেং পাঙবা

## মীওই মপোক্কী থোইদোক হেন্দোকপা

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি মীওই মপোক অসি লেন্না মাংদন্বা, মদুগীদমক করি তৌবা মথৌ তাবগে?

**দাদাশ্রী :** মসি মীওই মপোক অসিবু লেন্না মাংদন্বা, মদুগী নিমিৎ চুপ্পা চিন্তৱান তৌরগদি মহাক্না মায়পাক্কনি। মসি মীওই মপোক অসিগী চিন্তা তৌগদবনি, মদুদা মীয়াম্না লক্ষ্মীগী চিন্তা তৌরি! হোৎন্বা হায়বসি অদোমগী খুত্তা লৈতে, তৌইগুম্বসুং ভাৱ তৌবা অসি অদোমগী খুত্তা লৈ! হোৎন্বা অসি অতোপ্পগী শক্তীদা লৈ। ভাৱগী মহৈ ফংবা ওই। তশেংনমক্কীদি ভাৱসু মপানগী শক্তীদা লৈ, তৌইগুম্বসুং ভাৱ তৌরবদি মদুগী মহৈ ফঙই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওই মপোক্কী অথোইবা করিনো?

**দাদাশ্রী :** মীওই মপোক অসি অতোপ্পবু মতেং পাঙন্বনি অমসুং হিন্দুস্টানগী মীওইশিংগী পুন্সি 'এবসোল্যুটীজম'গীদমক্তনি, মুক্তিগীদমক্নি। ভারত নত্তবা অতোপ্পা মপানগী লৈবাকশিংদা লৈরিবা পুন্সি, মদু অতোপ্পবু মতেং পাঙন্বগীদমক্নি। অতোপ্পবু মতেং পাঙবা হায়বদি পুক্নীংগী উপয়োকসু অতোপ্পগীদমক তৌবা, ৱাহৈসু অতোপ্পগীদমক উপয়োক তৌবা অমসুং শাজৎসু অতোপ্পগীদমক তৌবা! পুক্নীং-ৱাহৈ-হকচাংদগী অতোপ্পবু মতেং-পাঙবা। মতমদুদা হায়গনি, ঐহাক্কী করি ওইগনি? মহাক্না মতেং-পাঙলগদি মহাক্কী ময়ুমদা করি লৈহৌগনি?

**ৱাহং-হংলিবা :** কান্নবদি ফঙগনিদনা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, তৌইগুম্বসুং মীয়ামদি অসিগুম্না খল্লিদনা মদুদি ঐহাক্না

পীরবদি ঐহাক্কী চৎখ্রগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** অনেম্বা জাৎকী মী ওইরগদি, মখোয়না অসুম্না থল্লি।

**দাদাশ্রী :** অৱাংবা জাৎ ওইবনা অসুম্না থল্লি মদুদি অতোপ্পবু পীবা য়াই।

## পুন্সি অতোপ্পবু মতেং পাঙন্বগীদমক..

মসিগী মনুং হুৎপা সাইন্স করিনো মদুদি পূল্লীং-ৱাহৈ-হকচাং অতোপ্পশিংবু মতেং পাঙন্বগী থল্লগদি, মদু ওইরবদি অদোমগী মসিদা পোৎ খুদিংমক লৈগনি। অতোপ্পবু মতেং-পাঙনবা তৌ, অমসুং করিগুম্বা ফিস লৌদুনা তৌরবদি?

**ৱাহং-হংলিবা :** অৱাবা লাকপা ওইগনি।

**দাদাশ্রী :** মসি কোর্টতা ফিস লৌই। লুপা ১০০পীগনি, লুপা ১৫০পীগনি। মতমদুদা হায়গনি, 'সাহেব, লুপা ১৫০ লৌরো।' তৌইগুম্বসুং মতেং পাঙবগী নিয়মদদি লাক্কেদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** পুক্তা মৈ চাল্লবদি অসিগুম্না হায়বদি দরকার ওইদনা?

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্বা ৱাখল তৌগনু। করিগুম্বা মখলগী অতোপ্পবু মতেং পাঙলগদি অদোমবু করিগুম্বা অৱাবা নঙলোই, হৌজিক মীয়ামশিংনা করি তৌবগে? হৌজিক ফজনা খঙদনা তৌবা চৎলি, মরমদুনা ওন্না-তৈন্বা 'ইফেক্ট' লাকই। মরমদুনা মতুংদা পূল্লীংদা শ্রদ্ধ থম্বা ঙমদে অমসুং মাংবা ওই। ঙসি হৌবা ওইরগদি, মদু মপোক ২-৩দা পাঙথোক্কনি মহাক্কা। মসি 'সাইন্স'নি।

## অফ-ফত্ত মী ওইরবসু, মতেং-পাঙবা চপ-মান্ননা

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওইবনা অফবা য়াইফবগীদমক অতোপ্পবু মতেং পাঙদুনা পুন্সি হিংই, মীয়ামদসু হায়বা ওই, তৌইগুম্বসুং মহাক্কা ফনবগীদমক হায়বা, মদুবু মীয়াম্না 'ঐহাক্কী য়াইফন্বগীদমক হায়বনি', অসিগুম্না লৌন্নবগীদমক

কনাগুম্বা অমত্তা য়াবা ওইদে, মদুদি করিনো?

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্বনি, মতেং-পাঙগদৌরিবনা মাংদা লৈরিবা অদুগী জ্ঞান উদে অমসুং করিগুম্বা মতেং পাঙগদৌরিবা অদুনা মাংদা লৈরিবা অদুগী জ্ঞান খঙলগদি মদুবু জজমেন্ট কৌগনি। মরমদুনা মাংদা লৈরিবা অদুগী জ্ঞান অদু য়েংলোইদবনি।

মসি উ-পাম্বী লৈদনা পুন্নমক, হৈনৌ লৈ, নিম লৈ মথোয় পুন্নমক, মথোয়দা মহৈ য়াল্লি, মতমদুদা হৈনৌ পাম্বীনা মশাগী হৈনৌ কয়াম্না চারমগনি?

**ৱাহং-হংলিবা :** অমত্তা ফাও চাদে।

**দাদাশ্রী :** কনাগীদমক্নো মদু?

**ৱাহং-হংলিবা :** অতোপ্পগীদমক।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মতমদুদা মহাক্লা য়েংব্রা মদুদি মহাক লৌনমব্রা নত্রগা অফব্রা, অসিগুম্না য়েংব্রা? পুখিবদুনা মহাক্কী ওইরে, ঐহাক্কী নত্তে। মতেং পাঙবগী পুন্সি মহাক্লা হিংই। অসিগুম্বা পুন্সি হিংবদগী মদুগী জীবশিংনা তপ্না-তপ্না অৱাংবা মপোক্তা চৎপা ওইবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং অনম্বা মতমদা মতেং-পাঙলিবা অদুগী মথক্তা, মদুগী মীওই অদুনা মতেং-পাঙলিবা অদুগী মথক্তা অরাম্বা শীরি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, য়েংগদবদি মদুনিদনা! মতেং-পাঙলিবা, মহাক্কী মথক্তসু অপকার তৌই।

**ৱাহং-হংলিবা :** খঙদবনা মরম্না!

**দাদাশ্রী :** মসিগী জ্ঞান অসি মহাক্লা কদায়দগী পুরক্কনি? খঙবা ওইরগদি থবক পাঙথোক্কনিদনা! অসিগুম্বা জ্ঞান অসি কদায়দগী পুরক্কনি।

মতেং-পাঙবা, মসিদি য়াম্না ৱাংবা ফমথোলনি। মসি মতেং-পাঙবা ওইবা লাইফ, মীওইবগী পুন্সি চুপ্পগী পান্দম অদু মসিনি!

# পুন্সিদা, মপুং ওইবা থবক্তি মসি অনী

অমসুং অতোপ্পা মসি হিন্দুস্তানগী মীওইবগী মপোক অসি করিদমক্কীনো? ঐখোয়গী মসিগী ফাজিন্বা, মতম চুপ্পগী ফাজিন্বা অদুবু থুদেক্কবগী মদুগী মরমগীদমক্কি, 'এবসোল্যুট' ওইন্নবগীনি অমসুং করিগুম্বা মসি 'এবসোল্যুট' ওইন্বগী জ্ঞান ফংদ্রগদি, নহাক অতোপ্পগীদমক হিংউ। মসিগী থবক অনী অসি তৌন্নবগীদমক হিন্দুস্তান্দা পোক্লিবনি। মসিগী থবক অনী অসি মীয়াম্না তৌরমগদ্রা? মীয়াম্নদি পোৎ-য়ানশিন্বা তৌনবা মীওই মপোক্তগী শা-ঙাগীদা চৎন্নবগীদমক কলাবু পুথোক্লি।

## সরল ওইন্বগী উপায়

**ৱাহং-হংলিবা :** পুন্সি সাত্বিক অমসুং সরল ওইন্বগী করি উপায় লৈবগে?

**দাদাশ্রী :** নহাক্কী নফমদা লৈবশিংদু মদুখে ওবলাইজিঙ্গ নেচর থমদুনা মীয়ামবু পীদুনা লৈয়ু। অসিগুম্না পুন্সি সাত্বিক ওইদুনা লৈগনি। ওবলাইজিঙ্গ নেচর তৌব্রা নহাক্না? নহাক্না ওবলাইজিঙ্গ নেচর পাম্ব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** করিগুম্বা খরদং থক তৌই!

**দাদাশ্রী :** মদুদগী হেন্না তৌরবদি, হেন্না কান্নবা ওইগনি। ওবলাইজ তৌদুনা লৈয়ু। কনাগুম্বা অমগীদমক চেনবিয়ু, চৎপীদুনা, পৈশা পীদুনা, কনাগুম্বা অৱাবা তারববু ফী-রোল অনী তুবিয়ু, অসিগুম্না ওবলাইজ তৌবিয়ু।

ভগৱান্না হায় মদুদি পূক্নীং-ৱাহৈ-হকচাং অমসুং আত্মা (প্রতিষ্ঠিত আত্মা)গী উপয়োক অতোপ্পগীদমক তৌবিয়ু। মতুংদা নঙোন্দা করিগুম্বা মখলগী অৱাবা লাক্লবদি ঐঙোন্দা তম্মু।

ধর্মগী হৌরকফমদি 'ওবলাইজিঙ্গ নেচর'দগী ওইবা ওই। অদোম অদোমগী য়ুমগী অতোপ্পবু পীরবদি, মদুনি নুংঙাইবনি। মদুদা মীয়াম্না লৌববু তমলি! অদোম্না ইশাগীদমক করিগুম্বা অমত্তা তৌগনু। মীয়ামগীদমক্তা তৌরবদি

ইশাগীদমক করিগুম্বা অমত্তা তৌবগী মথৌ তাদ্রে।

## ভাৱদদি ১০০%

মসি ঊশিংসিনা মশাগী উহৈ মশামক্লা চাব্রা? চাদে! মরমদুনা মসি ঊসিনা মীওইববু উপদেশ পীরি মদুদি অদোম ইশাগী উহৈবু অতোপ্পশিংদা পীয়ু। অদোমবু মহৌশানা পীগনি। নীম খাবা ওই, তৌইগুম্বসুং মীয়াম্না থানবা ওই। মরমদি মদুগী অতোপ্পা কনাবসু লৈ। নত্রগদি পাম্বী অদু ফুক্তোক্কনি। তৌইগুম্বসুং মদু অতোপ্পা মওংদা কান্নবা ওই। মহাক্না অঈংবা পী, মহাক্কী হীদাক কান্নবা ওই, মহাক্কী মহী কান্নবা ওই। সত্যযুগতা মীয়াম্না মাংদা লৈরিবা অদুবু নুংঙাইবা ফংন্নবগী প্রয়োগশিং তৌরম্মী। নুমিৎ চুপ্পা 'কানাবু ওল্লাইজ তৌগনি' অসিগুম্বা ৱাখল লাক্লম্মী।

মপান্দা থবক লৈরগদি কাইবা ওইদে, তৌইগুম্বসুং মনুংগী ভাৱদি লৈগদবনি ঐখোয়গী মদুদি ঐহাক্কী মফমদা পৈশা লৈ, মদু ওইরবদি ঐহাক্না কনাগুম্বা অমগী অৱাববু হন্থহনগনি। কোক লৈরগদি, ঐহাক্না কোক্তগী কনাগুম্ববু জ্ঞান তাহন্দুনা মহাক্কী অৱাবা অদুবু হন্থহনগনি। মশাগী মফমদা লেমহৌবা পৈশা মদুনা মতেং পাঙউ, নত্রগা ওল্লাইজিঙ্গ নেচরদি থমগদবনি। ওল্লাইজিঙ্গ নেচর হায়বদি করিনো? অতোপ্পশিংগীদমক তৌন্নবগী স্বভাৱ!

ওল্লাইজিঙ্গ নেচর লৈরগদি, কয়াম্না ফজবা স্বভাৱ ওইরি! পৈশা পীবা থক্তবু ওল্লাইজিঙ্গ নেচর নত্তে। পৈশাদি ঐখোয়গী নাক্তা লৈরবসু নত্রগা লৈত্রবসু। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী অপাম্বা, অসিগুম্বা ভাৱনা ওইগদবনি মহাকপু করম তৌনা মতেং-পাঙগনি। ঐখোয়গী য়ুমদা কনাগুম্বা অমা লাক্লবদি, মহাক্কী করম্না করিগুম্বা খরা মতেং-পাঙগনি, অসিগুম্বা ভাৱনা(নুংগীৱাখল)লৈগদবনি। পৈশা পীবা নত্রগা পীদবা, মদুদি অদোমগী শক্তীগী মথা পোল্লি।

পৈশা থক্তদগী ওল্লাইজিঙ্গ নেচর তৌবা য়াই অসিগুম্বা করিসু নত্তে, মদুদি পীগদৌরিবা মীওই অদুগী শক্তীগী মথক্তা লৈ। মসিখক্তা পূক্নীংদা ৱাখল থমগদবনি মদুদি মতৌ করম্না 'ওল্লাইজ' তৌগনি ? মসিখক লৈরগদি, মদুখক য়েংগদবনি।

# পুন্সিগী পান্দম

কনাগুম্বনা করিগুম্বা খরদং মশাগী পান্দম ফাওবা য়ৌবা ঙমলগদি। মসি পান্দম য়াওদবা পুন্সিদি করিগুম্বা অর্থ অমত্তা থোক্তে। ডোলর লাকই অমসুং চা-থক্তুনা নুংঙাইথোকই অমসুং নুমিৎ চুপ্পা চিন্তা-ৱারীজ তৌদুনা লৈ, মসিবু পুন্সিগী পান্দমনি করম্না কৌগনি? মীওই মপোক ফংলি, মদু কান্নফম খঙদে, মদুদা করি অর্থ থোকপগে? মরমদুনা মীওই মপোক ফংবগা ইশাগী পান্দম ফৌবা য়ৌন্নবগীদমক করি তৌগনি? সংসারগী নুংঙাইবা পামব্রা, মপাল-থোংগী নুংঙাইবদি, অদোমগী মফমদা করিগুম্বা লৈবাশিংদু মদুবু পীয়ু মীয়ামদা। করিগুম্বা নুংঙাইববু মীয়ামদা পীয়ু, মদু ওইরগদি অদোম্না নুংঙাইবগী আশা থম্বা য়াই। নত্রগদি নুংঙাইবা অদোমবু ফংলোই অমসুং করিগুম্বা অৱাবা পীরবদি অদোমবু অৱাবা ফংগনি।

মসি সংসার অসিগী লো ওফ কোর্ট ৱাহৈ অমথক্তদা খঙউ, মসি সংসারগী ধর্ম পুন্নমক্কী, মদুদি করিগুম্বা মীওইবনা নুংঙাইববু পামলগদি, অতোপ্পা জীবশিংবু নুংঙাইবা পীয়ু অমসুং অৱাবা পামলগদি অৱাবা পীয়ু। ইশাদা নুংঙাইগদবা মদুবু পীয়ু। হৌজিক কনাগুম্বনা হায়রগদি মদুদি ঐখোয়না মীয়ামবু করম্না নুংঙাইবা পীগনি? ঐখোয়গী ইফমদা পৈশা লৈতে। মদু ওইরগদি পৈশা থক্তদগী পীবা য়াই অদুগুম্বা নত্তে। মঙোন্দা ওল্লাইজিঙ্গ নেচর থম্বা য়াই, মহাক্কীদমক চেন্বীবা য়াই, মহাকপু জ্ঞান তাহন্বা য়াই, মওং কয়াদা ওল্লাইজ তৌবা য়াই, অসিগুম্বনি।

ধর্ম হায়বদি ভগৱানগী মুর্তিশিংগী মনাক্তা ফমদুনা লৈবা, মদুগী মমিং ধর্ম নত্তে। ধর্মদি, ইশাগী পান্দম মদু ফৌবা য়ৌবা, মদুগী মমিং ধর্মনি। লোইনা-লোইনা একাগ্রতা(কোনশেন্ট্রেসন) গীদমক ঐখোয়না করিগুম্বা সাধন তৌরগসু, মদুদি অতোপ্পা ৱাফমনি, তৌইগুম্বসুং মসিদা একাগ্রতা তৌরগদি পুন্নমক একাগ্র ওইরি মসিদা। ওল্লাইজিঙ্গ নেচর থম্মু, লেপ্পু মদুদি হৌজিক ঐহাক্কা মীয়াম্বু ওল্লাইজ থক্ত তৌগনি হৌজিক, মদু ওইরগদি অদোমদা অহোংবা লাক্লগনি। শোয়দনা লেপ্পু মদুদি ঐহাক্কা ৱাইলনেস (শারমচৎ) তৌরোই।

মাংদা লৈরিবা ৱাইল (শারমচৎ) ওইরগদি, মদু ওইরবসু ঐহাক্না ওইরোই, মদু ওইরগদি অসিগুম্না ওইবা ঙমগনি। ওইবা ঙম্লোইদ্রনে? শোইদনা লেপ্পু মতম অদুদগী থজিক-থজিক অহোংবা ওইগনি ওইরোইদ্রনে?

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং লুনা থোক্কনি।

**দাদাশ্রী :** নত্তে! লুবা ওইরগসু, মদু ওইজরগসু লেপ্লগদি, মরমদি অদোম মীওইবনি অমসুং ভারত লৈবাক্কী মীওইবনি। ইচম-চমব্রনে? ঋষি-মুনিশিংগী মচাশিংনি অদোম! শক্তীশিং কয়া অমা অদোমগী মফমদা তাদুনা লৈরি। মখোয় কুয়োম য়োমশিন্দুনা তাদুনা লৈরি। মখোয় অদোমগী করি থবক্তা কনাগনি? মরমদুনা অদোম্না ঐহাক্কী মসি ৱাহৈ অসিগী মতুং ইন্না করিগুম্বা লেপ্পু মদুদি ঐহাক্না মসি তৌগনি, মদু ওইরগদি শুংশোই-শোইদনা শন্দোক্কনি, নত্রগদি অসিগুম্না ৱাইলনেশ কদায় ফাও তৌদুনা লৈগনি? অমসুং অদোম্না নুংঙাইবদি ফংদে। ৱাইলনেশতা নুংঙাইবা ফংব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** ফংদে।

**দাদাশ্রী :** ওন্না-তৈনবদা অৱাবা থক্তবু বার্তোন তৌই।

## মতেং-পাঙবদগী পুণ্য লোয়ন্না

মোক্ষ ফংদ্রিফাও, মতম অদুফাও পুণ্য থক্তনা মরুপকা চপ-মান্ননা থবক তৌই অমসুং পাপ-য়েংথিন্বগা মান্ননা থবক তৌই। হৌজিক অদোম্না য়েক্নবা থমগদ্রা নত্রগা মরুপ থমগদ্রা? মদু অদোম্না পাম্বগী মতুং ইন্না, মদুগী মতুং-ইন্না লেপকদবনি। অমসুং মরুপকী সঙয়োগ করম্না ফংগনি, মদু হংউ অমসুং য়েকন্বগী সঙয়োগ করম্না মাংগনি, মদুসু হংউ। করিগুম্বা য়েকন্বা পাম্লগদি মদুগী সঙয়োগ করম্না ওইগনি মদু হংলগদি, ঐহাক্না মঙোন্দা হায়গনি মদুদি ঙম্লিবমখৈ শোৎতুনা ঘী থকউ, পাম্বগী মতুং ইন্না কোয়চৎ চৎলু, অমসুং নহাক্না ফগনি খল্লগদি মদুগুম্না নুংঙাইথোকউ, মতুংদা থোক্লক্কদবদু য়েংগনি! অমসুং পুণ্যগী মওং ওইবা মরুপ পাম্লগদি ঐহাক্না হায়গনি মদুদি ইবুংঙো মসি উপাল অসিগী মফমদগী তম্মু। কনাগুম্বা উপাম্বীনা মশাগী উহৈ মশামক্না চাব্রা? করিগুম্বা গুলাপ

মশাগী লৈ চাব্রা? খজিক্তংদি চারমগনি, নত্রনে? ঐখোয়না লৈত্রবা মতমদা নুমিদাংদা চারমগনি, নত্রনে? চারপ্লোইদ্রনে?

**ৱাহং-হংলিবা :** চাদে।

**দাদাশ্রী :** মসি উপাল-ৱাপলদি মীওইবশিংবু উহৈ পীন্বগীদমক মীওইবশিংগী সেবাদা লৈরি। হৌজিক উপালশিংনা করিবু ফংবগে? মহাক্কী অৱাংবা গতি(মপোক)ওইবা ওই অমসুং মীওইবনা মমাং কাখৎলি মহাক্কী হেলপ লৌদুনা! অসিগুম্না লৌবিয়ু, ঐখোয়না হৈনৌ চাবা, মদুদা হৈনৌ পাম্বীগী করি মাংবগে? অমসুং ঐখোয়না করিবু ফংবগে? ঐখোয়না হৈনৌ চাই, মরমদুনা ঐখোয়না নুংঙাইবা ফাওই। মদুদগী ঐখোয়গী ক্রুতিশিং হোংলিবদু, মদুদগী ঐখোয়না লুপা ১০০গুম্না আধ্যাত্মাদা তানশিল্লি। হৌজিক হৈনৌ চারি, মরমদুনা মদুদগী ৫% হৈনৌ পাম্বীদা অদোমগী শরুক্তগী চৎলি অমসুং ৯৫% অদোমগী শরুক্তা লৈ। মখোয়না ঐখোয়গী শরুক্তগী ৫% লৌই অমসুং মখোয় তোল্লবশীংসিনা অৱাংবা মপোক্তা(গতি) চৎলি অমসুং ঐখোয়গী অনেম্বা মপোক ওইদে, ঐখোয়সু মমাং কাখৎলি। মরমদুনা মসি উপাল অসিনা হায়রি মদুদি ঐখোয়গী পুন্নমক লৌবিয়ু, মখল-মখা কয়াগী হৈ-লৈ লৌবিয়ু।

## য়োগ উপয়োগ্তগী মতেং-পাঙগনি

মরমদুনা মসি সংসার অদোমবু কান্নবা ওইরগদি, সংসার অদোম্না পাল্লগদি, সংসারগী পোৎ-চৈশিংগী অপাম্বা লৈরগদি, সংসারগী বিষয়(সবজেক)শিংগী অপাম্বা লৈরগদি মসি থক তৌ, 'য়োগ উপয়োগ মতেং-পাঙগদবনি।' য়োগ হায়বদি মসি পূক্নীং-ৱাহৈ-হকচাংগী য়োগ, অমসুং উপয়োগ হায়বদি বুদ্ধীগী উপয়োগ, পূক্নীংগী উপয়োগ, চিত্তকী উপয়োগ তৌবা, মসি পুন্নমক অতোপ্পগীদমক উপয়োগ তৌবা অমসুং অতোপ্পগীদমক চাদিং তৌদ্রগদি, মদু ফাওবা ঐখোয়গী মীয়াম্না অরোইবদা য়ুমগী মীওইশিংগীদমক চাদিং তৌইদনা? মসিগী হুইবী অসিনা চানবগী করিগী ফংলিবনো? মচাশিংগী মনুংদা ভগৱান লৈরি, মদুগী মচাশিংদুগী মহাক্না সেবা তৌই। মরমদুনা মহাক্না পুন্নমক ফংলি। মসিগী আধারদা সংসার পুন্নমক চৎলি। মসি ঊ অসিনা মচিঞ্জাং

কদাইদগী ফংলি? মসি উপাম্বীশিংনা করিগুম্বা হোৎন্বরা? মখোয়দি খজিক্তংফাও ‘ইমোশনল’ ওইদে। মখোয়না করিগুম্বদা ‘ইমোশনল’ ওইব্রনে? মখোয়দি কৈদৌনুংদা হোংদোক-হোংজিন ওইবা ওইদে। মখোয়না কৈদৌনুংদা অসিগুম্না খন্দে মদুদি মসিদগী মাইল ১ লাপ্না বিশ্বমিত্রা তুরেল লৈ, মফমদুদা চৎলগা ঈশিং থক্কুনা লাক্কে!

প্রমানিক্তা (পুংচেল-শেংবা) অমসুং অমগা-অমগা মতেং-পাঙবা ‘ওবলাইজিঙ্গ নেচর’। মসিখক্তনি দরকার ওই। অমগা-অমগা মতেং-পাঙবা, মসিখকপু মীওই পুন্সিগী অচৌবা কান্নবনি! মসি সংসার অসিদা মখল অনীগী মীওইশিংবু চিন্তা লৈতে, অমনা জ্ঞানী পুরুষ অমসুং অনীসুবদুনা মতেং-পাঙলিবদুবু।

## মতেং-পাঙবগী অশেংবা মওং

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি সংসার অসিদা অফবা থবক করম্ববু কৌবগে? মদুগী অর্থ পীবা য়াগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, অফবা থবক্তি মসি উপাম্বী পুন্নমক্না তৌরি। মখোয়না মপুংফানা অফবা থবক তৌরি। তৌইগুম্বসুং মখোয় মশামক অতৌবনি হায়বা ভাৱ লৈতে। মসি উপাম্বী অসি হিংলি। পুন্নমক অতোপ্পগীদমক মশাগী উহৈ পীরি। অদোম্না ইশাগী উহৈ অতোপ্পবু পীয়ু। অদোম্না ইশাগী উহৈ ফংদুনা লৈগনি। অদোমগী লৈরিবা উহৈ-হকচাংগী উহৈ, ৱাখলগী উহৈ, ৱাহৈগী উহৈ, ‘ফ্রী ওফ কোস্ট’ মীয়ামবু পীদুনা লৈরবদি অদোম্না অদোমগী পোৎ খুদিংমক ফংগনি। অদোমগী পুন্সি দরকার ওইবশিংদা খজিক্তংফাও অৱাৎপা লাক্করোই। করিগুম্বা হৈনৌ পাম্বীনা মশাগী উহৈ মশা-মতোম্তা চারগদি মহাক্কী মপু অদুনা, মহাক্না করি তৌগনি? মহাকপু য়াম্লৎকনিদনা? মতৌ অসুম্না মসি মীয়াম্না মশাগী উহৈবু মশানা চাথোকই। মসিদা নত্তনা মদুগী মথক্তসু ফীসশু লৌই।

পীতিসন অমা ইনাবাগী লুপা ২২নি! মদুগুম্বা লৈবাক্তা ‘ফ্রী ওফ কোস্ট’ জজমেন্ট তৌরম্বা অমসুং মদুগী মথক্তা মশাগী ময়ুমদা চাক পীজদুনা অচুম-অরান তৌরম্মী, মদুদা মসি দশা অসি ওইরি। করিগুম্বা খুঙ্গংদা খৎন্বা-চৈন্বা

থোক্লবদি, খুঙ্গংদুগী মকোক অদুনা খৎনরিবা মথোয় অনীদুদা হায়, 'চন্দুলাল ইবুংঙো ঙসি পুং১০ মথায় তাবা মতমদা অদোম য়ুমদা লাকউ অমসুং নগীনদাস, অদোমসু পুংফম অসিদা য়ুমদা লাকউ।' অমসুং নগীনদাসকী মফমদা করিগুম্বা কনাগুম্বা থবক-শুবা ওইবা নত্রগা লৌ উবা ওইরগদি খৎনরিবদু মদু ওইরবদি মথোয়বু য়ুমদা কৌগনি। অনীমকপু ফমহন্দুনা, মথোয় অনীবু য়ানবা তৌবিগনি। পৈশা শীংদোক্কদবা ওইরগদি, মহাকপু কেস(শেন্নুন)থরা খুৎশিন্নদুনা, লেমহৌবশিংদুনা হাপ্তা-হাপ্তা পীন্বা ব্যবস্থা তৌহল্লম্মি। মতুংদা অনীমক্তুদা হায়গনি, 'চৎলো, ঐগা লোয়ন্না চাক-চান্বা ফমলো।' অনীমকপু চাক পীজদুনা য়ুমদা চৎহনগনি। লৈব্রা ঙসি অসিগুম্বা উকিল? মরমদুনা খঙউ অমসুং মতম অসিবু খঙদোক্তুনা চৎলু। অমসুং করিগুম্বা মশামক, মশাগী ওইনা তৌরবদি, মদু ওইরবদি শিবা মতমদা অৱাবা ওইরি। জীব নাম্থোকপা ঙমদে অমসুং বঙ্গলা-মোতোর থদোক্তুনা চৎপা ঙমদে!

পাওতাক্কী পৈশা মথোয়দগী নিখিদে। অসিগুম-মদুগুম তৌদুনা লোইশিল্লী। মশামক্না য়ুমদগী লুপা ২০০০ পীবা ওইরম্মী। অমসুং ঙসি পাওতাক লৌনবা চৎলবদি পাওতাক্কী ফীস লুপা ১০০ লৌগনি। 'অরে, জৈন্নি অদোম,' মতমদুদা হায়, 'জৈন্নি, তৌইগুম্বসুং বিজিনেস্তা দরকার ওইদনা নত্রগা ওইদব্রা ঐথোয়না? সাহেব, পাওতাক্কীসু পৈশা? অমসুং অদোম জৈন? ভগৱানবুসু ইকাইবা ওইহল্লি? বীতরাগশিংবুসু ইকায়বা ওইহল্লি? নো হাও গিসু ফিস? মসিদি করম্বা নোংলৈ-নুংশিৎ কৌগনি?'

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি কা-হেন্বা বুদ্ধীগী ফীস, অসুম্না কৌব্রনে?

**দাদাশ্রী :** মরমদি বুদ্ধীগী ময়োকন্বা তৌদে। মসি বুদ্ধী, বিপরীত বুদ্ধীনি। মশামক্কীসু অমাং-অতা থোকহন্বা বুদ্ধীনি। বিপরীত বুদ্ধী! ভগৱান্না বুদ্ধীগীদমক য়ানিংদবা তৌখিদে। ভগৱান্না হায়খি, স্ময়ক বুদ্ধীসু ওইবা য়াই। মদুগী বুদ্ধীদু হেল্লগদি, পূক্নীংদা অসিগুম্না খল্লি মদুদি কনা-কনাগী *নিকাল* তৌগনি, কনা-কনাগী হেল্প তৌগনি? কনা-কনাবু সর্বিস লৈতবগে, মহাকপু সর্বিস ফংনবা মদুগুম্না তৌবিগনি।

# ওল্লাইজিঙ্গ নেচর

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক ঐগী মিৎয়েংদগী হায়গে মদুদি হৌজিক হুই অমনা, মহাক্না করিগুম্বা খুনু অমবু হৎলবদি অমসুং ঐহাক্না কন্নাবা তৌরবদি ঐহাক্কী মিৎয়েংদগী ঐহাক্না ওল্লাইজ তৌরি, মদু ওইরগদি মদুদি ঐখোয়না ব্যবস্থিতকী লম্বীদা লাক্লেদনা?

**দাদাশ্রী :** মদু ওল্লাইজ ওইগনি করম-কান্দা? মদুদা মহাক্কী 'ব্যবস্থিত' ওইবা মদুগী মতমদা ওইগনি ঐখোয়দগী, নত্রগদি ওইথোক্লোই। ঐখোয়না ওল্লাইজ নেচর থমগদবনি। মদুদগী অফবা পুণ্য থক্তবু পুনশিনগনি, মরমদুনা অৱাবা ওইন্বা খুৎলাইদি লৈত্রেদনা। পৈশাদগী ওইবা য়াদ্রগদি, চেনবিদুনা নত্রগা বুদ্ধীগী মতেংনা, জ্ঞান তাহন্দুনা, করিগুম্বা মওং ওইরবসু ওল্লাইজ নেচর তৌ।

# মতেং-পাঙবা, পরিণামদা কান্নবা থক্ত

অমসুং মসি লাইফ করিগুম্বা মতেং-পাঙম্বগী চৎলবদি অদোম্না করিগুম্বা অমত্তা অৱাৎপা লৈররোই। করিগুম্বা মখল অমত্তগী অৱাৎপা লাক্লরোই। অদোমগী অপাম্বা লৈবশিংদু, মদু পুম্বা মপুংফারগদি অমসুং অসিগুম্না চোংথোক-চোংচিন তৌরগদি, করিগুম্বা অপাম্বা অমত্তা মনিং থুংলোই। মরমদি মদুগী মওংদুদি, অদোম্না তুমবা য়াবা ওইরোই। মসি সেঠশিংদি তুমবা য়াদে, নুমিৎ অহুম-অহুম, মরী-মরী ফাও তুম্বা য়াদে, মরমদি হুরান-চিন্থি থক্তবু তৌই কনাগুম্বগী।

মরমদুনা, ওল্লাইজিঙ্গ নেচর তৌরবদি লম্বীদা চৎপা মতমদা, মসি য়ুমথঙনবা কনাগুম্ববু হংলবদি ইবুংঙো, ঐ পোস্ট ওফিস চৎলি, অদোম্না করিগুম্বা চিঠী পোস্ট তৌগদ্রা? অসিগুম্না হং-হংদুনা চৎপদা করি অকায়বা লৈবগে তৌইগুম্বসুং? কনাগুম্বনা হায়রবদি ঐহাক্না নংঙোন্দা থাজবা লাক্তে। মদুদা হায়গনি, ইবুংঙো, খোং-পায়জরি। তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা থজবা লৈরগদি, মখোয়গীদি পুগনিদনা।

মসিদি ঐহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী গুণনি, মদুবু ঐহাক্না হায়বনি। ওল্লাইজিঙ্গ নেচর অমসুং চহি ২৫ ফারবা মতমদা ঐহাক্কী ফ্রেন্ড সর্কল পুম্নমক্না

ঐহাকপু সুপর হিয়ুমন কৌরম্মী।

হিয়ুমন কনাবু কৌবগে মদুদি মহাক্না পীবা-লৌবা, চপ-মান্নবা ভাৰদা ব্যবহার তৌবা। নুংঙাইবা পীবদুদা, মদুদা নুংঙাইবা পীবা। অৰাবা পীবদুদা, মদুদা অৰাবা পীদবা। অসিগুম্বা ব্যবহার তৌরবদি, মদুবু মীওইবা ওইবা কৌগনি।

মরমদুনা কনাগুম্বনা মাংদা লৈরিবা অদুগী নুংঙাইবদুবু লৌরবদি, মহাক্না শা-ঙাগী মপোক্তা চৎকনি। কনাগুম্বনা মশামক নুংঙাইববু পীবা ওইরি অমসুং নুংঙাইববু লৌবা, অসিগুম্বা মীওইবা ওইবা ব্যবহার তৌরবদি, মহাক্না মীওইবা ওইনা লৈ অমসুং কনাগুম্বনা মশাগী নুংঙাইবা অতোপ্পবু নুংঙাইন্বগীদমক পীরবদি, মহাক্না দেব-মপোক্তা চৎলি, সুপর হিয়ুমন। মশাগী নুংঙাইবা অতোপ্পশিংদা পীরবদি, কনাগুম্বা অৰাববু, মহাক্না দেব-মপোক্তা চৎলি।

## মদুদা ইগোইজম নোর্মল

**ৱাহং-হংলিবা :** মতেং-পাঙবগা লোয়ন্না 'ইগোইজম'গা সঙ্গ ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** অনম্বা মতম মতেং-পাঙলিবদুনা, মহাক্কী 'ইগোইজম' নোর্মল ওইবা ওই। মহাক্কী 'ইগোইজম' সাহজ ওই অমসুং কোর্টতা লুপা ১৫০ ফীস লৌদুনা অতোপ্পগী থবক তৌরিবা, মখোয়গী 'ইগোইজম' অদুক্কী মতীক য়াম্না চাউবা ওইরি।

মসি সংসার অসিগী মহৌশাগী নিয়মদি করিনো হায়বদা অদোম্না ইশাগী উহৈ অতোপ্পবু পীরবদি মহৌশানা অদোমগী চৎহনগনি। মসিনি মনুং-হুৎপা সাইন্স। মসি পরোক্ষ ধর্মনি। মতুংদা প্রত্যক্ষ ধর্ম লাকই, আত্মাধর্ম অরোইবদা লাকই। মীওইবা মপোক্কী হিসাব অসি অসিথক্কি! মরুওইবা ৱাফমদি মসি থক্কি মদুদি পূক্নীং-ৱাহৈ-হকচাং অতোপ্পগীদমক শিজিন্নৌ।

## অনৌবা পান্দম ঙসিগী, ৰীএকশন মমাংগী

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরবদি মতেং-পাঙনবগী থক্ত হিংগদব্রা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মতেং-পাঙনবগীদমক হিংগদবনি। তৌইগুম্বসুং মসি অদোম্না হৌজিক মসিগুম্বা লাইন খুদক্তা হোংলগদি অসিগুম্না তৌবদা মমাংগী রীএকশন লাকই। মরমদুনা মতুংদা অদোম অতাম্বা ওই মদুদি মসিদি ঐহাক্না হৌজিক ফাও থাংবা ওইরি! তৌইগুম্বসুং মতম থরা থাংবা মথৌ তাই, মদুগী মতুংদা অদোমদা করিগুম্বা অৱাবা অমত্তা লৈররোই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি অনৌবা মওংদগী লাইন শেল্লিদনা, মরমদুনা মমাংগী রীএকশনদি লাক্কনি। ঙসি ফাও ওন্ননা তৌরম্মী, মদুগী মহৈদি শোয়দনা লাক্কনিদনা?

# অৱোইবদা মতেং-পাঙবা ইশাগী মথক্তা তৌগদবনি

অনম্বদা কনাগুম্বগী মথক্তা মতেং-পাঙলবদি, কনাগুম্বগী কান্নবা তৌরবদি, কনাগুম্বগীদমক হিংলবদি, মদুখৈ ঐখোয়না কান্নবা ফংই। তৌইগুম্বসুং মদু মপাল-থোংগী কান্নবা ওই। মদুগী মপাল থোংগী কান্নবা ফংগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** কনাগুম্বগী মথক্তা মতেং-পাঙবগী মহুত্তা মশামক্কী মথক্তা মতেং-পাঙলবদি?

**দাদাশ্রী :** মদুখক্তি, মশাগী মথক্তা মতেং-পাঙব্বগীদমক পুম্নমক তৌ। করিগুম্বা মশাগী মথক্তা মতেং-পাঙলবদি মহাক্কী য়াইফবা ওইগনি, তৌইগুম্বসুং মদুগীদমক মশামকপু(মশাগী আত্মাবু)থংবা মথৌ তাই। মদুফাও মীয়ামদা মতেং-পাঙদুনা লৈয়ু, তৌইগুম্বসুং মদুগী মপাল-থোংগী মহৈ ফংগনি। ঐখোয়না ইশাবু থংন্নবগীদমক 'ঐখোয় কনানো' মসিবু থংগদবনি। অশেংবদা ঐখোয় ইশামক শুদ্ধাত্মনি। অদোম্নদি ঙসি ফাও 'ঐ চন্দুভাইনি' মসিখক থঙঙিদনা নত্রগা অতোপ্পা করিগুম্বা থঙব্রা? মসি 'চন্দুভাই' মদু 'ঐহাক' থক্লি, অসিগুম্না হায়গনি।' মহাক্কী মপুরোইবনি, মহাক্কী মাম্মনি, মহাক্কী মখুরানি, অসিগুম্না পুম্নমক চৎথদুনা! অসিগুম্না তৌইদনা? মসি জ্ঞান অদোমদা লৈদনা? মদু মমাংদা চৎপা ওইদ্রিদনা?

# মীওইবগী সেবা, সমাজকী ধর্ম

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং ব্যবহারদা অসিগুম্না ওইদনা মদুদি দয়া

ভাৱ লৈবা ওইরি। সেবাসু লৈরি। কনাগুম্বগী মথক্তা মীনুংসিসু লৈবা ওই মদুদি করিগুম্বা অমা তৌবা ঙমগনি, কনাগুম্বা অমবু থবক পীবা, অনাবশিংবু হোসপীতালদা এডমিত তৌবা। মসি ক্রিয়া পুন্নমক মখল অমগী ব্যবহার ধর্ম ওইনা ওইদনা?

**দাদাশ্রী :** মদু পুম্বদি ইচম-চম্বা থৌদাংনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরবদি মীওইবগী সেবা মদুদি মখল অমদগী ব্যবহারগী ওইরি, মসিগুম্না লৌগদ্রা? মদুদি ব্যবহার ধর্মনিদনা?

**দাদাশ্রী :** মদু ব্যবহার ধর্মসু নত্তে, মদুদি সমাজ ধর্ম কৌগনি। কনাগুম্বা সমাজ অমবু নুংঙাইবা ওইরগদি, মখোয়গী মীয়াম্না নুংঙাইবা ওইগনি অমসুং মদুগী সেবা কনাগুম্বা সমাজ অমবু পীবা চৎলগদি, মদু অৱাবা ওইগনি। মরমদুনা ব্যবহার ধর্ম করম কান্দা কৌবগে মদুদি পুন্নমক্কা চপ-মান্নবা ওইবা মতমদুদা! ঙসি ফাও অদোম্না তৌথিবা, মদু সমাজ সেবানি। মীওই অমম্মগী সমাজসেবা থেন্নবা মখলগী ওই। সমাজ খুদিংমক তোঙান-তোঙান ওইরি, মতৌ অসুন্না সেবাসু তোঙান-তোঙান মখলগী ওইবা ওই।

# মীয়ামগী সেবা, বিগিন্স ফ্রোম হোম

**ৱাহং-হংলিবা :** কনাগুম্বা মীওইনা মীয়ামগী সেবাদা লাক্লবদি, মখোয়না করিগীদমক্কী লাক্লিবনো?

**দাদাশ্রী :** মদুদি ভাৱনা অফবনি। মীয়ামগী মতৌ করাম্না য়াইফবা ওইন্বা, মদুগী অপাম্বা। মীনুংশি অফবা ওইবা কান্দা!

মদুদি ভাৱনা-মীনুংশি ভাৱ মীয়ামগী মথক্তা, মদুদি মীয়াম্না অৱাবা ওইবদু মদু ওইদবা, অসিগুম্বা ৱাখলনি মদুগী মতুংদা। য়াম্না অৱাংবা ৱাখলনিদনা। তৌইগুম্বসুং মীয়ামগী সেবাতৌবশিংগী মসিদা ঐহাক্না ঊই মদুদি সেবা তৌবশিংবু য়ুমদা চৎতুনা হংবদা, মতমদুদা মতুংদা মৈখু হৌরি। মরমদুনা মদু সেবা নত্তে। সেবা য়ুমদগী হৌগদবনি। বিগিন্স ফ্রোম হোম। মতুংদা নেবরর্স (য়ুমথংন্বা)। মতুংদা মথং লাক্কদৌবা সেবা। মসিদি য়ুমদা চৎতুনা হংবদা মৈখু

হৌরি। করম্না মান্বগে অদোম্না? মরমদুনা হৌরকফম অসি য়ুমদগী ওইগদবনি নত্রনে?

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি ইবুংঙো অসিনা হায়রি মদুদি মহাক্কী কেস্তা য়ুমদা মৈথু হৌদে।

**দাদাশ্রী :** মসিগী অর্থদি মসি ওইরে মদুদি মদু অশেংবা সেবানি।

## তৌরো মীয়ামগী সেবা, অশেংবা নিতিগা লোইন্না

**ৱাহং-হংলিবা :** মীয়ামগী সেবা তৌবদা মদুদা ভগৱানগী দর্সন তৌদুনা সেবা তৌরগদি মদুগী চপ-চাবা মহৈ পীগনিদনা?

**দাদাশ্রী :** ভগৱানগী দর্সন তৌরগদি, মদু ওইরগদি মীয়ামগী সেবাদা তুং ইল্লোই, মরমদি ভগৱানগী দর্সন তৌরবা মতুংদা কনানাবু থদোক্কনি ভগৱানবু? মসিদি মীয়ামগী সেবা মসিগীদমক তৌগদবনি মদুদি ভগৱান ফংন্নবা, মরমদুনা। মীয়ামগী সেবাদি থম্মোয়দগী ওইগদবা। থম্মোয়গা শেংবা ওইরগদি, মদু ওইরগদি মফম খুদিংমক্তা য়ৌই। মীয়ামগী সেবা অমসুং মমিং-চৎন্বা অনী অসি পুল্লবদি, মদু ওইরবদি অৱাবদা তাহনগনি মীওইববু। মমিং-চৎন্বা য়াওদবা মীয়ামগী সেবা ওইরগদি, মতমদুদা অচুম্বনি। মমিংদি চৎতুনা লৈগনি, তৌইগুম্বসুং মমিং-চৎন্বগী অপাম্বা লৈতবা, অসিগুম্বা ওইগদবনি।

মীপুম খুদিংমক্কী সেবাদি মীয়াম্না তৌগদবা অদুগুম্বা নত্তে। মসিদি মনুংদা লোৎশিন্দুনা থম্বা মমিং-চৎন্নবগী মীহৌবনি, নাপলগী মীহৌবা, মখল মথা কয়াগী মীহৌবা মনুংদা লৈরি, মথোয়না তৌহল্লি। মীপুমখুদিংমক্কী সেবা তৌবা মীওই অদুদি করম তৌবগে? মথোয় পরিগ্রহা লৈতবা পুরুষ ওই। মসিদদি পুন্নমক মমিং-চৎন্বা ঙক্তা। তপ্না-তপ্না 'করিগুম্বা নুমিত্তা মান্নি ওইগনি' অসিগুম্না থনদুনা মীপুংখুদিংমক্কী সেবা তৌই। মনুংদা লমচৎ হুরান্বনি, মরমদুনা মপানগী অৱাবশিং, দরকার লৈতনা পরিগ্রহা, মদু পুম্বা থিংজিল্লবদি পুন্নমক য়াইফবা ওইগনি। মসিদদি মাইকৈ অমরোমদা পরিগ্রহা, মপুংফানা পরিগ্রহা ওইবা ওইনা লৈন্বা অমসুং অতোপ্পা মাইকৈদা মীয়ামগী সেবা তৌনিংলি। মসি অনী অসি ওইথোপা য়াব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক্তি ঐহাক্না মীওইবগী সেবা তৌরি, য়ুমথোং খুদিং নিদুনা লাইরবশিংবু পীরি। মসি থক ঐহাক্না তৌরি হৌজিক।

**দাদাশ্রী :** মদুদি পুন্নমক অদোমগী একাউন-বুক্তা তুংশিনগনি। অদোম্না পীরিদনা... নত্তে, নত্তে অদোম্না মরক্তা তৌইদনা, মদুগী পৈশা হোৎকনি। ১১না পুরিন্বা পৈশা তৌদুনা, মতুংদা মদুদি কম্মিসন, মদু অদোম্না ফংগনি। মথংগী মপোক্তা কম্মিসন ফংগনি অমসুং মদুগী শান্তি লৈগনি অদোমদা। মসি থবক অসি ফজনা তৌই মরমদুনা হৌজিক শান্তি লৈরি অমসুং লাক্কদৌবা মতমদসু লৈগনি। মদুগী থবক অদু অফবনি।

মসি নত্তনদি সেবাদি মদুগী মমিংনি মদুদি নহাক্না থবক তৌবা, মদু ঐহাকপু খজিক্তংফাও খঙদবা। মদুবু সেবা কৌই। মরোল থোক্তবা সেবা। খঙবা ওইবা, মদুদি সেবা কৌদে।

সুরতকী থঙ্গং অমদা ঐহাক্না চৎলুই। মীওই অমনা হায়রম্মী, 'ঐহাক্না সমাজ সেবা তৌগনি।' ঐহাক্না হায়, 'করম্বা সমাজ সেবা নহাক্না তৌগনি?' মদুদা হায়, 'সেঠশিংগী মফমদগী পুরক্তুনা মীয়ামশিংদা য়েন্থোক্কনি।' ঐহাক্না হায়, 'য়েন্থোক্লবা মতুংদা থিদোকপ্রা মদুদি মখোয়না করম্না খর্চা তৌবগে?' মতমদুদা হায়, 'মদুবু ঐখোয়না য়েংবগী করিবু মখৌ তাবগে?' মতুংদা মহাকপু জ্ঞান-তাহল্লি মদুদি ইবুংঙো! ঐহাক্না নহাকপু লম্বী তাক্কে, মদুগুম্না তৌ। সেঠশিংদগী পৈশা পুরক্লগদি মদুদগী মখোয়বু লুপা ১০০পীবা ঠেলা লৈদুনা পীয়ু। খুৎনা-ইন্বা ঠেলা-গারী লৈদনা, টু টায়রগী লৈদনা, মদু। লুপা ১০০-১৫০ নত্রগা ২০০গী ঠেলা-গারী লৈবীয়ু অমসুং লুপা ৫০ তোঙান্না পীয়ু অমসুং হাইয়ু, 'নহাক্না ইঞাং-নাপী পুরক্তুনা, মদুবু য়োন্দুনা, ঐঙোন্দা পৈশা মরেপ অদু নুংতিগী নুমিদাংৱাইরম পীশিল্লকউ। অহেন্বদুনা নহাক্কী অমসুং ঠেলাগী নুংতি পৈশা অসিখক শিংদুনা লৈয়ু।' মসিদা হায়রম্মী, 'য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই, য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। অদোম্না মতুংদা সুরত্তা লাক্রিঙৈদা মীওই ৫০-১০০শিং শেল্লমগনি।' মতুংদা অসিগুম্না করিগুম্বা তৌদনা, হৌজিক ঠেলাশিং পীরো মসি লাইরবশিং পুন্নমকপু। মখোয়না করিগুম্বা অচৌবা ব্যপার তৌবগী মখৌ তাব্রা? ঠেলা অমবু পীয়ু, মদু ওইরবদি নুমিদাংৱাইরম ফাও লুপা ২০ তানগনি। অদোম্না করম্না ফাওবগে? মখোয়বু

অসিগুম্না পীরবদি ঐখোয় অশেংবা জৈন ওইব্রা নত্রগা ওইদব্রা? অসিগুম্বনি, অগর্বতিসু চাকপা মতমদা নুংশিবা মনম পীদুনা চাকই, নত্রনে? কা খুদিংমক নুংশিবা মনম ওইহন্বা ওইদনা! মদু ওইরবদি ঐখোয়দগী নুংশিবা মনম শন্দোক্লোইদ্রনে?

অসিগুম্না করিগী ওইরোই ঐখোয়না? ঐহাক্তি চহী ২৫-৩০ শুবা মতমদা অহংকার তৌরম্মী অমসুং মদুসু অঙকপা মখলগী অহংকার তৌরম্মী। মসি মীওই অসিনা ঐহাক্কা উন্নে অমসুং মহাকপু কান্নবা ওইদ্রবদি ঐহাক্কী উনাবা অরান্বনি। মরমদুনা মীপুম খুদিংপু ঐঙোন্দগী কান্নবা ফংলম্মী। ঐহাকপু উনাবা অমসুং মহাকপু করিগুম্বা কান্নবা ফংদ্রবদি মদু অরেম্বনি? হৈনৌ পাম্বীনা করিবু হায়বগে ঐহাকপু উনাবা অমসুং হৈনৌগী মতম ওইরবদি অমসুং করিগুম্বা মাংদা লৈরিবা অদুবু কান্নবা ফংদ্রবদি ঐ হৈনৌ নত্তে। অপীকপা ওইরবসু পীক্লা, নহাক্লা নুংঙাইগদবা মদুগুম্না, তৌইগুম্বসুং নহাক্লা মদুগী কান্নবদি ফংগনিদনা। মদুগী হৈনৌ পাম্বীনা করিগুম্বা কান্নবা অমত্তা লৌদে। অসিগুম্বা ৱাখল থরাদি থন্বা মথৌ তাইদনা। মসি অসিগুম্বা মনুষ্যপন (মীওইবাওইবা) করিগীদমক্কী ওইগদৌবনো? অসিগুম্না জ্ঞান তাহল্লবদি, পুম্নমক থঙবা ওই মতুংদা। মসিদি জ্ঞান তারে, মহাক্লা অসিগুম্না তৌরি, গারী চৎপা ওইরি। অদোম্না করি মান্বগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়, অদোম্না ৱারি তৌরি, অসিগুম্বা পুকচেল-চাওবা মীওইবগী সঙস্থা মফম খুদিংদা লৈরম্মী।

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মখোয়সু অৱাবদা তারিদনা! হায়বদি কনাগুম্বা অমত্তগী মরাল নত্তে। ওইগদবা অদু ওইখ্রে, তৌইগুম্বসুং হৌজিক অসিগুম্বা ৱাখলশিংদগী শেমদোক্লবদি হৌজিকসু শেমদোকপা য়ারি অমসুং অশোয়বশিংদুবু শেমদোকপা, মদুগী মমীং ধর্মনি। শেমদোক্তুনা লৈবা অদুদি শেমদোক্কবা শেমশাদুনা লৈ পুম্নমক, তৌইগুম্বসুং অশোয়বা মদুবু শেমদোকপা, মদুবু ধর্ম কৌই।

# মীওইবগী সেবা মসিনি প্রভুসেবা

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওইবগী সেবা, মদুদি প্রভু সেবানিদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, প্রভুসেবা নত্তে। অতোপ্পশিংগী সেবা করম্বা মতমদা তৌবগে? মশাগী মনুংদা অৱাবা ওই। অদোম্না কনাগুম্বা মীওইবগী মথক্তা দয়া ফাওবা, মদুদা মহাক্কী ফীবম য়েংবদা অদোম্না মনুংদা অৱাবা ফাওই অমসুং মদুগী অৱাবদুবু মাংন্বগীদমক অদোম মসি সেবা পুন্নমক অসি তৌরি হায়বদি মসি পুম্বা মশাগী অৱাববু মাংহন্নবগীদমক্কি। মীওইবা অমবু দয়া য়াম্না ফাওরম্মী। মহাক্না হায়রম্মী মদুদি ঐহাক্না দয়া তৌদুনা মখোয় ময়ামবু মসিবু পীরম্মী, মদুবু পীরম্মী..., নত্তে, অরে, নহাক্কী অৱাবা মাংন্নবগীদমক মখোয় ময়ামবু নহাক্না পীবনি। অদোম্না জ্ঞান তাব্রা মসি ৱাফমসি? য়াম্না লুবা ৱাফম্নি মসি, অরাইবা ৱাফম নত্তে মসি। মশাগী অৱাববু মাংন্বা পীবনি। তৌইগুম্বসুং মদুগী পোৎ অদু অফবনি। কনাগুম্বা অমবু পীরবদি অদোম্না ফংগনি মতুংদা।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মীয়াম পুম্বগী সেবা মদু ভগৱাত সেবারা নত্রগা অমুর্তবু মুর্ত মওং য়েংদুনা পুজা তৌবা, মদুরা?

**দাদাশ্রী :** মীয়াম পুম্বগী সেবা তৌবা মতমদা ঐখোয়না সংসারগী নুংঙাইবা পুন্নমক ফংই, মপাল-থোংগী নুংঙাইবা, অমসুং তপ্না-তপ্না, স্টেপ বায় স্টেপ, মোক্ষ লোমদা চৎলি। তৌইগুম্বসুং মদু মপোক খুদিংদা অসিগুম্নদি ওইদে। করিগুম্বা মপোক্তা সঙয়োগ ফংবা ওই। মসি নত্তনদি, মপোক খুদিংদা ওইবা ওইদে, মরমদুনা মদু সিদ্ধান্ত মওং নত্তে।

## ...য়াইফন্বগী থাকশিংসু খেন্নে

সমাজকী য়াইফন্বা তৌই, মদু জগতকী য়াইফন্বা তৌবনি হায়রোই। মদুদি সংসারগী ভাৱ অমনি। মদু পুন্নমক সমাজকী য়াইফন্বা হাইনা কৌই। মদু ঙল্লিবা মখৈ, কনাগুম্বদগী পাঙথোকপা ঙল্লিবমখৈ মদুখৈ তৌই, মদু পুন্নমক স্থুল লোনদা কৌই, অমসুং জগত য়াইফন্বা তৌবা, মদুদি সুক্ষ্ম লোন, সুক্ষ্মতর অমসুং সুক্ষ্মতম লোন্নি। খালি অসিগুম্বা সুক্ষ্মতম ভাৱ থক ওইবা ওই নত্রগা মদুগী মরিক থক ওই।

## সমাজকী সেবা প্রকৃতি স্বভাৱ

সমাজ সেবাগীদি কনাগুম্বনা তৌন্নবগী চপ-য়ুংনা লেপ্পা, মরমদুনা

মহাক্না য়ুমদা ধ্যান পীদে অমসুং মপানগী মীয়ামগী সেবাদা মহাক্না তাদুনা লৈরি, মদুদি সমাজ সেবা কৌই। অমসুং মসি অতোপ্পদি মশাগী মনুংগী ওইবা ভাৱ কৌগনি। মদুগী ভাৱ অদুদি মশাদা লাক্তুনা লৈগনি। কনাগুম্বদা দয়া লাক্লবদি, কনাগুম্বগী মথক্তা ভাৱ ফাওই অমসুং অসিগুম্বা পুন্নমক্তি মশাগী প্রক্রুতিদা পুদুনা লাকই, তৌইগুম্বসুং অরোইবদা মসি পুম্বা অসি প্রক্রুতিগী ধর্ম থক্লি। মদুগী সমাজ সেবাসু প্রক্রুতিগী ধর্মনি, মদুবু প্রক্রুতি স্বভাৱ কৌই মদুদি মসিগীনা স্বভাৱ অসিগুম্না তৌই, মদুগীনা স্বভাৱ অসিগুম্না তৌই। কনাগুম্বগী অৱাবা পীবগী স্বভাৱ ওই, কনাগুম্বগী নুংঙাইবা পীনবগী স্বভাৱ ওইবা ওইরি। মসি অনীগী স্বভাৱ অসি প্রক্রুতি স্বভাৱ কৌই, আত্মা স্বভাৱ নত্তে। প্রক্রুতিদা পোৎ হান্দুনা পুরকপগুম, মদুগুম্না মহাক্কী পোৎ থোক্লকই।

# সেবা-কুসেবা , প্রক্রুতি স্বভাৱ

মসি অদোম্না সেবা তৌবসি, মদুদি প্রক্রুতি স্বভাৱনি অমসুং মীওই অমনা কুসেবা তৌই, মদুসু প্রক্রুতি স্বভাৱনি। মসিদা অদোমগী পুরুষার্থ লৈতে অমসুং মহাক্কীসু পুরুষার্থ নত্তে, তৌইগুম্বসুং পূক্নীংদা অসিগুম্না থল্লি মদুদি ঐহাক্না তৌবনি। হৌজিক ‘ঐহাক্না তৌবনি’ মসিনি অরান্বা। মসিদদি ‘জ্ঞান’ পীরবা মতুংদা অদোম সেবাদি শুংশোয়-শোয়দনা তৌগনি মরমদি প্রক্রুতি অসুম্না পুদুনা লাক্লি, তৌইগুম্বসুং মদুগী সেবা অদু শুদ্ধ (অশেংবা) ওইগনি। হৌজিক শুভ সেবা তৌরি। শুভ সেবা হায়বদি ফাজিন-পুনশিন্বা সেবা, সনাগী য়োৎলিংসু ফাজিন-পুনশিন্বনিদনা! আত্মাজ্ঞানগী মতুংদা মাংদা লৈরিবা মীওই অদুনা করিগুম্বা অমা তৌরবসু, তৌইগুম্বসুং অদোম অৱাবা ফাওদে অমসুং মহাক্কী অৱাবদু কোকপা ওই। মতুংদা অদোমদা করুনা লৈগনি। মসি হৌজিক অদোম্না দয়া লৈবা ওইরি মদুদি তোল্লবা মহাক্না কয়াম্না ৱারমগনি? কয়াম্না অৱাবা ফাওরমগনি? মদুগী অদোম্না দয়া ফাওই। মদুগী দয়া মতম লৈবা থিবিক্ত ঐথোয়দা অৱাবা পী। দয়া লৈবা, মদুদা অহংকার লৈ। দয়াগী ভাৱ য়াওদনা প্রক্রুতি সেবা কৈদৌঙৈদা তৌদে অমসুং আত্মাজ্ঞানগী মতুংদা অদোম্না *করুনা* ভাৱ লৈগনি।

সেবাভাৱ কী মহৈ মপাল-থোংগী নুংঙাইবনি অমসুং কুসেবা ভাৱগী মহৈনা মপাল-থোংগী অৱাবনি। সেবা ভাৱদগী মশাগী ‘ঐ’ ফংদে। তৌইগুম্বসুং

‘ঐ’ ফংদ্রিমখৈ, মতমদু ফাও ওবলাইজিঙ্গ নেচর থম্মু।

## অশেংবা সমাজকী সেবক

অদোম কনাগী মতেং–পাঙবগে?

**ৱাহং–হংলিবা :** সমাজকী সেবাদা অয়াম্বা মতম পী।

**দাদাশ্রী :** সমাজসেবাদি মখল কয়া অমা লৈ। সমাজ সেবা অদুদা, মদুদা খজিক্তং ফাও ‘সমাজসেবাক্লি’ অসিগুম্বা ভান অসি লৈত্রবদি, মদুগী সমাজসেবা অদু অশেংবনি।

**ৱাহং–হংলিবা :** মদুগী ৱাফম অদু ফারে।

**দাদাশ্রী :** মসি নত্তনা, সমাজসেবা তৌবদি মফম–মফম খুদিংদা ডিবিজন খুদিংদা অনী–অনী, অহুম–অহুম লৈ। অঙৌবা টুপী উপতুনা চৎতুনা লৈ, সমাজ সেবাক্লি হায়না। তৌইগুম্বসুং মদুগী ভান অদু লৈত্রবদি, মতমদুদা মহাক অশেংবা সেবানি!

**ৱাহং–হংলিবা :** করিগুম্বা অফবা থবক তৌরবদি, মদুদা মনুংদা *অহম* লাক্লি মদুদি ঐহাক্লা তৌবনি।

**দাদাশ্রী :** মদুদি ফাওবা ওই।

**ৱাহং–হংলিবা :** মদু ওইরবদি মদুবু কাওনবগীদমক করি তৌগনি?

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং মসি, সমাজসেবাক্লি, মদুগী অহংকার অদু লাক্লোইদবনি। অফবা থবক তৌই, মদুগী অহংকার ফাওই, মদু ওইরবদি অদোমগী নিংজবা ঈশ্বোর নত্রগা ভগৱানবু নিংবা মদুবু, মঙোন্দা হায়য়ু মদুদি হে ঈশোর, ঐহাক্লা অহংকার তৌজরোই, তৌইগুম্বসুং হেক্তা তৌই, ঐহাকপু ঙাকপীয়ু! মসিখক তৌ। মসিখক ঙমগদ্রা?

**ৱাহং–হংলিবা :** হোয়।

**দাদাশ্রী :** মদুখক তৌবীয়ুদনা!

সমাজসেবাগী অর্থ করিনো? মদুনা অনম্বা 'মাই' থুদেকই। 'মাই' (ঐগী) করিগুম্বা ফজনা মাংহল্লবদি মশামক পরমাত্মানি! মদুদগী মতুংদা নুংঙাইবা ফাওদুনা লৈগনিদনা!

## সেবাদা অহংকার

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরবদি জগতকীদমক ঐখোয়না তৌনবগী করিগুম্বা অমত্তা লৈত্রে?

**দাদাশ্রী :** অদোম্না তৌগদবনা নত্তে, মসিদি অহংকার লেপতুনা লৈরি। মসি মীওইবা মতোম্তনা অহংকার তৌই, কর্তাপন (তৌবা ওইবা ওইনা) গী।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি ইবেম্মা অসি ডোক্টরনি। লাইরবা 'পেসেন্ট' অমা লাকই, মহাক্কী মথক্তা মীনুংশি ফাওই, লয়েংই। অদোম্না হায়বগী মতুং ইন্নদি মীনুংশী চেনবগী করিগুম্বা ৱাহং অমত্তা লৈতেদনা?

**দাদাশ্রী :** মদুগী মীনুংশী অদুদি মহৌশাগীনি, তৌইগুম্বসুং মতুংদা অহংকার তৌই মদুদি ঐহাক্না কনাগুম্ববু মীনুংশী তৌরি! অহংকার তৌদ্রবদি করিগুম্বদা প্রোব্লেম ওইদে। তৌইগুম্বসুং অহংকার তৌদনদি লৈতেদনা!

## সেবাদা কৎথোকপা ওইবা

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি সংসারগী সেবাদা পরমাত্মাগী সেবাগী ভাৱ থমদুনা সেবা তৌরবদি, মদুদি দাইতদা লাকইদনা?

**দাদাশ্রী :** 'হোয়, মদুগী মহে পুণ্য ফংই, মোক্ষ ফংদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুগী কান্নবা অদু সাক্ষাতকার ওইরবা পরমাত্মাবু খুৎশিন্নরবদি, মদুগী মতুংদসু মোক্ষ ফংলোইদ্রা?

**দাদাশ্রী :** মদুগুম্বা মহে খুৎশিন্নবা য়াদেদনা কনাগুম্বা অমদা।

**ৱাহং-হংলিবা :** পূক্লীংদগী কৎথোক্লগদি?

**দাদাশ্রী :** মদুগী কৎথোকপা ওইরবসু কনাগুম্বনা মহৈ লৌদে অমসুং কনাগুম্বনসু পীদে। মদুদি ৱা-ঙাংবা থক্তনি। অশেংবা ধর্মদি 'জ্ঞান্নীপুরুষ' আত্মা খুৎশিন্নরবা মতুংদা, মতম অদুদগী মশা মতোম্তা চৎথদুনা লৈ, অমসুং ব্যবহার ধর্মদি ঐখোয়না তৌবা মথৌ তাই। তমবা মথৌ তাই।

# মপান-থোংগী য়াইফবা, বাই প্রোডক্সনদা

**ৱাহং-হংলিবা :** মপান-থোংগী নুংঙাই-য়াইফবা ফংন্নবগী অপাম্বা-হোৎন্বনা আধ্যাত্মিক ডেবেলপমেন্ট থোঙলৌ ওইব্রা? অমসুং থোংলৌ-থাংবা ওইরগদি করম্না অমসুং থোংলৌ-থাংদ্রগনা করম্না?

**দাদাশ্রী :** মপান-থোংগী নুংঙাইবা ফংগে হায়রবদি ঐখোয়না মসি লম্বী অসিদা চৎকদবা, আধ্যাত্মিক য়াইফবা ফংগে হায়রগদি মসি অতোপ্পা মাইকৈ অসিদা চৎলু। ঐখোয়না মাইগৈ অমদা চৎকদবনি, মদুগী মহুত্তা ঐখোয়না অসুম্না অতোপ্পা মাইগৈদা চৎলবদি অথিংবা ওইগদ্রা নত্রগা ওইরোইদ্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়, মদু অথিংবনি কৌগনি!

**দাদাশ্রী :** হায়বদি মপুংফানা অথিংবনি। আধ্যাত্মিক মসি মাইগৈ ওইরবদি মপান-থোংগীদি মমাংদা লৈরিবা মাইগৈদুনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মপান-থোংগী নুংঙাইবা য়াওদনা করম তৌনা চৎকনি?

**দাদাশ্রী :** মপান-থোংগী নুংঙাইবা মসি মালেম অসিদা কনাগুম্বনা তৌবা ঙমব্রা? মীয়াম পুম্বনা মপান-থোংগী নুংঙাইবগী মতুংদা তান্নরি। ওইখ্রব্রা কনাগুম্বগী?

**ৱাহং-হংলিবা :** খজিক্তং, কনাগুম্বা খরাগী ওইনা ওই, ময়ামগী ওইনদি ওইদে।

**দাদাশ্রী :** মীওইবগী মখুত্তা তৌবা ঙম্বগী শক্তীদি লৈতে মঙোন্দা। শক্তী লৈতবদুদা, মদুদা কনাদবদা লাওথোংলি, মদুগী অর্থ করিনো? মীনিঙ্গলেস!

**ৱাহং-হংলিবা :** মহাক্কী করিগুম্বা অপাম্বা লৈরিবমথৈ, মতমদু ফাও আধ্যত্মিক মতৌ করম্না চংকনি?

**দাদাশ্রী :** হোয়, অপাম্বা ফাওবা ওই, মদু ফৈ। অপাম্বা ফাওবা ওইরি, তৌইগুম্বসুং ঐথোয়গী থুত্তা শক্তী লৈতে মদু।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুগী অপাম্বদু মতৌ করম্না মাংগনি?

**দাদাশ্রী :** মহাক্কী অপাম্বগীদমক মসিগুম্বসি লাক্লিদনা মতুংদা। অদোম্না হেন্না মদুগী কোক-ঙাওবা তৌরোইদবনি। আধ্যত্মিক তৌদুনা লৈয়ু। মসি মপান-থোংগী নুংঙাইবদি বাই প্রোডক্টন্নি। অদোম আধ্যত্মিক প্রোডক্সন হৌবা ওইরো, মসিগী মাইগৈ অসিদা চংলু অমসুং আধ্যত্মিক প্রোডক্সন হৌবা ওইরগদি মপান-থোংগী নুংঙাইবদি, বাই প্রোডক্ট, অদোমদা ফ্রী ওফ কোস্ট ফংগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** আধ্যাত্মা ওইনা চংকে হায়রগদি, করি ফোংদোকপীবা পাম্বগে? করম তৌনা চংকনি?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, তৌইগুম্বসুং অহান্বদা মসি খঙবা ওইরি মদুদি আধ্যত্মিগী অদোম্না প্রোডক্সন তৌরগদি মপান-থোংগী নুংঙাইবা ওইব্রা? অসিগুম্না অদোমগী খঙবদা লাকপ্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** অসিগুম্না মাল্লি মদুদি অদোম্না হায়রি, মদু ঐহাক্না খঙবা ওইদে।

**দাদাশ্রী :** মরমদুনা মালগসু মসি পুম্বা বাই প্রোডক্টনি। বাই প্রোডক্ট হায়বদি ফ্রী ওফ কোস্ট। মসি সংসারগী লোয়বা-নাইবা নুংঙাইবা পুম্বা ফ্রী ওফ কোস্ট ওইনা ফংলি। আধ্যত্মিক নুংঙাইবা ফংন্বা চংলি, লম্বীদা মসি বাই প্রোডক্ট ফংলি।

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐহাক্না অসিগুম্বা মীয়াম য়াম্না উই মদুদি আধ্যত্মিদা

চত্তে, তৌইগুম্বসুং মপান-থোংগী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইবা ওই অমসুং মদুদা মহাক্লা নুংঙাইবা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মখোয় আধ্যত্মিদা চৎপা ওইনদি উদে, তৌইগুম্বসুং মহাক্লা আধ্যত্মি তৌথিবা অদু, মদুগী মহৈনি মসি।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি মসি মপোক অসিদা আধ্যত্মি তৌরবদি, মদু ওইরবদি মথংগী মপোক্তা মপান-থোংগী নুংঙাইবা ফংগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদুগী মহৈ মথংগী মপোক্তা ফংগনি অদোম্না। মহৈ ঙসি উরি অমসুং ঙসি আধ্যত্মিদা লৈবা ওইদ্রগসু।

# তৌবগী পান্দম, সেবা নত্রগা লক্ষ্মী

থবক খুদিংমক্কী পান্দম লৈ মদুদি করি মরমদগী মসি থবক অসি তৌরিবনো। মদুদা অশেংবা পান্দম করিগুম্বা লেপলগদি, হায়বদি করিগীনো হায়বদা মসি হোসপীতাল হৌবা ওইগনি, হায়বদি পেসেন্টনা করম্না হকচাং য়াইফবা ফংগনি, করম্না নুংঙাইগনি, মতৌ করম্না মখোয় মীয়াম্না হরাওগনি, মতৌ করম্না মহাক্কী পুন্সিগী শক্তী হেঙ্গকনি, অসিগুম্বা ঐখোয়গী অৱাংবা পান্দম লেপলবদি অমসুং সেবাগী ৱাখলগা লোয়নদ্না থবক চৎথরবদি, মদুদা মদুগী বাই প্রোডক্সন করিনো? লক্ষ্মী! মরমদুনা লক্ষ্মী মদুদি বাই প্রোডক্টনি, মদুবু প্রোডক্সন ওইনা থনগনু। সংসার পুম্নমক লক্ষ্মীগী প্রোডক্সন তৌই, মরমদুনা মতুংদা মহাক্লা বাই প্রোডক্সনগী কান্নবদু ফংদে।

মরমদুনা, সেবাভাৱ থক্তং অদোম্না লেপ্পু মদু ওইরগদি মদুদা বাই প্রোডক্সনদা লক্ষ্মীদি মতুংদা য়াম্না হেন্না লাকপা ওইরি। মরমদুনা লক্ষ্মীবু বাই প্রোডক্টতা ওইনা লৈহল্লগদি লক্ষ্মী হেন্না লাক্কনি, তৌইগুম্বসুং মসিদি লক্ষ্মীগী পান্দমদগী লক্ষ্মীগী প্রোডক্সন তৌই, মরমদুনা লক্ষ্মী লাক্তে। মরমদুনা ঐহাক্লা অদোমবু পান্দম থংহল্লি মদুদি মসি পান্দম অসি থম্মু, 'লেপ্পা নাইদবা সেবাভাৱ', মদু ওইরগদি বাই প্রোডক্ট মশা মতোম্তা লাক্নুনা লৈগনি। মসিগুম্না বাই প্রোডক্টতা করিগুম্বা হোৎনবগী মথৌ তাদে, পৈশা চাদিং তৌবগী মথৌ তাদে, মদুদি ফ্রী ওফ

কোস্ট ওইনা ওই, মদুগুন্না মসি লক্ষ্মীসু ফ্রী ওফ কোস্ট ওইনা ফংই। অদোম্না অসিগুম্বা লক্ষ্মী পামব্রা নত্রগা ওন(ব্লেক পৈশা)গী লক্ষ্মী পামব্রা? ওনগী লক্ষ্মী পামদব্রা? মদু ওইরদি ফরে! মসি ফ্রী ওফ কোস্ট ফংবা, মদুদি কয়াম্না ফৈ!

মরমদুনা সেবাভাৱ লেংদনা লেপ্লু, মীওইবা থক্তগী সেবা। মরমদি 'ঐখোয়না হোসপীতাল হাংদোকপা' হায়বদি ঐখোয়না খঙবা বিধ্য, মদুগী বিধ্য অদুগী সেবাভাৱদা শিজিন্নৌ, মসি ঐখোয়গী পান্দম ওইগদবনি। মদুগী মহৈ মওং ওইনা অতোপ্পা পোৎতি ফ্রী ওফ কোস্ট ওইনা ফংগনি অমসুং লক্ষ্মীগীদি মতুংদা কৈদৌনুংদা অৱাৎপা লৈররোই, অমসুং লক্ষ্মীগী থক্ত ওইনা তৌবা ওইরগদি, মঙোন্দা মাংবা ওইরি। হোয়, লক্ষ্মীগী থক্ত ফেক্টরি শেল্লগদি বাই প্রোডক্ট লৈতেদনা! মরমদি লক্ষ্মী থক্ত বাই প্রোডক্টনি, বাই প্রোডক্সন গী! মরমদুনা ঐখোয়না প্রোডক্সন লেপকদবনি, মতুংদা বাই প্রোডক্সন ফ্রী ওফ কোস্ট ফংদুনা লৈগনি।

## জগতকী য়াইফবা, মদুনি প্রোডক্সন

আম্না ফংন্নবগীদমক পাঙথোকপশিংদু, মদু প্রোডক্সন্নি অমসুং মদুগী মরম ওইনা বাই প্রোডক্ট ফংলি অমসুং সংসারগী দরকার ওইবা পুম্নমক ফংই। ঐহাক্না ঐহাক্কী মখল অমতংগী ওইবা প্রোডক্সন থম্মী, 'জগত পরম শান্তি ফংবা ওইবা অমসুং অনম্বা মীয়াম্না মোক্ষ ফংবা ওইবা'। মসি ঐহাক্কী প্রোডক্সন অমসুং মদুগী বাই প্রোডক্সন ঐহাক্না ফংদুনা লৈ। মসি চা-ঈশিং ঐঙোন্দা, অদোমদগী করিগুম্বা খরা খেৎন্না ফংলি। মদুগী মরম করিনো? অদোমগা চাংদম্নবদা ঐহাক্কী প্রোডক্সন খ্বাইদগী ৱাংবা ওইবনা। অসিগুন্না অদোমগী প্রোডক্সন অৱাংবা মখলগী ওইরবদি, মদু ওইরগদি বাই প্রোডক্সনসু অৱাংবা মখলগী ওইনা লাক্কনি। থবক মখল খুদিংগী পান্দম লৈবা ওই। করিগুম্বা সেবাভাৱগী পান্দম ওইরগদি, মদু ওইরগদি লক্ষ্মী 'বাই প্রোডক্ট' ওইনা ফংগনি।

## সেবা পরোক্ষ মওংদা ভগৱানগী

অতোপ্পা প্রোডক্সন পুম্নমক বাই প্রোডক্ট ওইরি। মদুদা অদোম্না

কান্নগদবা পোৎ পুন্নমক ফংদুনা লৈ অমসুং মদু ইজীলী ফংবা ওই। য়েংউনে, মসি প্রোডক্সন পৈশাগীদমক তৌই, মরমদুনা ঙসিদি পৈশা ইজীলী ফংদে। কোয়চেন-চেন্দুনা, হাথু-হাথু চেনদুনা লৈ, অসিগুম্না চেন্দুনা লৈ অমসুং মমায়দা কেস্টর থাউ তৈদুনা চৎপগুম্না, ঊই। য়ুমগী ফজনা চানা থক্লবা লৈ, কয়াম্না খুদোংচাবা লৈরি, লক্ষ্মী কয়াম্না ফজৈ, লক্ষ্মীদা চৎলবদি থোংসু উফুন তৈদবা ওইরি! মরমদুনা মীওইবগী সেবা তৌ। মীওইবশিংদা ভগৱান ফমদুনা লৈ। ভগৱান মনুংদা ফমদুনা লৈ। মপানদা ভগৱান থিবা থোক্লগদি মহাকপু ফংবা য়াবা অদুগুম্বা নত্তে।

অদোম মীওইবগী ডোক্টরনি, মরমদুনা অদোমবু মীওইবগী সেবা তৌনবা হায়গে। শা-ঙাশিংগী ডোক্টর ওইরগদি, মদু ওইরগদি মহাকপু শা-ঙাশিংগী সেবা তৌনবা হায়গে। শা-ঙাশিংদসু ভগৱান ফমদুনা লৈ, তৌইগুম্বসুং মসি মীওইবশিংদা ভগৱান থোইদোক-হেন্দোক্লা প্রগত ওইরি!

# সেবা-মতেং পাঙবা অদুগী মমাংদা মোক্ষকী লক্ষ্মী

**ৱাহং-হংলিবা :** মোক্ষ-লক্ষ্মী, সমাজসেবাগী লক্ষ্মী তৌদুনা করম্না তৌনা কাখৎপগে, মসিবু খরা খঙহনবিয়ু।

**দাদাশ্রী :** সমাজসেবা তৌবদা ঐহাক্লা হংই মদুদি অদোম কনানো? মদুদা হায়, ঐ সমাজসেবা তৌবনি। করি হায়বগে? মসি হায়দনা নত্রগা অতোপ্পা করি হায়বগে ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিমক হায়।

**দাদাশ্রী :** হায়বদি 'ঐ সমাজসেবা তৌবনি', ঙাঙবা, মদু ইঙোইজম্নি অমসুং মসি মীওই অসিদা হায়রবদি, 'অদোম কনানো?' মদুদা হায়গনি, 'মপান থোংদা খঙন্নবগী চন্দুভাই অমসুং অশেংবগীদি ঐ শুদ্ধ আত্মানি।' মদু ওইরগদি মদু ইগোইজম য়াওদবনি, ৱিডাওট ইগোইজম।

সমাজসেবাগী ইগো(অহংকার)অফবা থবক্কীনি, তৌইগুম্বসুং ইগোদি ওইরি। ফত্তবা থবক্কীদমক ইগো ওইরগদি, মতমদুদা 'রাক্ষস' কৌগনি। অফবা

থবক্কী ইগো ওইরগদি, মতমদুদা দেব কৌগনি। ইগো হায়বদি ইগো। ইগো হায়বদি কোয়চৎ–চৎতুনা লৈবা অমসুং ইগো লোইরবদি। মদু ওইরগদি মসিদা মোক্ষ ওইরে।

## ‘ঐ কনানো ’ থঙবা, মদু ধর্ম

**ৱাহং–হংলিবা :** জীব থুদিংমকপু করি তৌবা মথৌ তাবগে? মহাক্কী ধর্ম করিনো?

**দাদাশ্রী :** তৌরিবা অদু, মদু মহাক্কী ধর্মনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না হায় মদুদি ঐগী ধর্ম, মসিথক। মদুগী ঐখোয়না ইঙোইজম তৌই মদুদি মসি ঐনা তৌবনি। মরমদুনা হৌজিক ঐখোয়না করি তৌবা মথৌ তাবগে মদুদি ‘ঐ কনানো’ মদুথক থঙবা, মদুগীদমক হোৎনৌ, মদু ওইরগদি পজল পুন্নমক সোল্প ওইগনি। মতুংদা পজল লৈররোই অমসুং পজল লৈত্রগদি, মদু ওইরগদি নীংথা–তম্বা ওইরগনি।

## লক্ষ্মী, মদুদি বাই প্রোডক্টনদা

**ৱাহং–হংলিবা :** মথৌদাংদি মীপুম থুদিংমক্কী, মতুংদা মহাক্না উকিল ওইরবসু নত্রগা ডোক্টর ওইরবসু, তৌইগুম্বসুং মথৌদাংদি মসি ওইদনা মদুদি মীওইবা থক্তগী য়াইফবা তৌবা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, তৌইগুম্বসুং মসিদি ‘অফবা তৌবনি’ অসিগুম্বা লেংদবা পান্দম লেপতনা অসুম হেক্তা তৌরি, করিগুম্বা ডিসীশন লৌদে। করিগুম্বা পান্দম অমবু ডিসীশন লৌদনা অসিগুম্না হেক্তা গাড়ী চৎহনদুনা লৈরি। করম্বা খুঙ্গদা চৎকদৌবনো, মদুগী তংদাংবা থঙদে অমসুং করম্বা খুঙ্গংদা কুমথদোইনো, মদুগীসু তংদাংবা থঙদে। লক্ষ্মীদা চা–অচাপোৎ কদায়দা লৌগনি, মদুগীসু তংদাংবা থঙদে। মদুথক কোয়চেন–চেন্দুনা লৈ। মরমদুনা পুন্নমক চয়েৎনরিবনি। পান্দম লেপ্লবগী মতুংদা থবক পুন্নমক পাঙথোক্কদবনি।

ঐহাক্তি পান্দম মথক্তবু হোংদোক্কনি, অতোপ্পা করিসু তৌগদবা নত্তে।

ঈশিং পম্পগী ইনজীনগী পট্টা মসিদা পীরবদি ঈশিং থোক্লক্কনি অমসুং মসি মাইগৈদা পট্টা পীরবদি ফৌদগী মতোন-চোংদুনা হৌগৎলক্কনি। হায়বদি পট্টা পীবা থক্তদা খেৎনবনি। পান্দম ডিসাইট তৌগদবনি অমসুং মতুংদা মদুগী পান্দম অদু লক্ষতা লৈগদবনি। মসিথক্কি, অতোপ্পা করিসু নত্তে। লক্ষ্মী লক্ষতা লৈরোদবনি।

# ‘মশাগী’ সেবাদা পুল্লপ মনুংচল্লি ধর্ম পুন্নমক

ধর্ম মখল অনী, অহুমসুবা মখলগী অতোপ্পা ধর্ম লৈবা ওইদে। জগতকী সেবা ওইবা মদুগুম্বা ধর্ম, মদু ধর্ম মখল অমনি অমসুং মশাগী (স্বগী-আত্মাগী) সেবা ওইবা, মদু অনীসুবা মখলগী ধর্মনি। মশাগী সেবা তৌবশিং হোম ডিপার্টমেন্টতা (আত্মা শক্তমদা) চৎলি অমসুং মসি সংসারগী সেবা তৌরবদি, মঙোনদা মহাক্কী সংসারগী ওইবা কান্নবা ফংই, নত্রগা মপান-থোংদা নুংঙাইথোক্লি। অমসুং মদুদা জগতকী করিগুম্বা মখল অমত্তগী সেবা মনুংচন্দে, মশাগী সেবাগী মনুংচন্দবা মফম, মদু পুম্বা সমাজিক্কী ভাষন মখল অমনি! অমসুং মশানা মশামকপু য়াম্না শাথীনা নশা ঙাওহন্বনি। জগতকী করিগুম্বা সেবা চৎথবা ওইরগদি, মদুদা ধর্ম লৈ। জগতকী সেবা তৌদগ্রদি, ইশাগী সেবা তৌ। মশামক্কী সেবা তৌবনা, মদুনা জগতকী সেবা তৌবদগী য়েন্না হেল্লী। মরমদি মশাগী তৌবনা কনাগুম্বা অমত্তবু অৱাবা পীদে!

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মশাগী সেবা তৌন্বগী অন্দর্সৈন্দিং দরকার ওইদনা?

**দাদাশ্রী :** মদুগী অন্দর্সৈন্দিং লৈবা অদু অরাইবা নত্তে।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু করম্না তৌগনি?

**দাদাশ্রী :** মদুদি মশাগী সেবা তৌবা, অদুগুম্বা জ্ঞান্নী পুরুষ হংবীয়ু মদুদি সাহেব, অদোম অতোপ্পগী সেবা তৌব্রা নত্রগা ইশাগী? মতমদুদা সাহেবনা হায়গনি, ‘ঐহাক্না ইশাগী তৌই।’ মদুদা মঙোন্দা হায়রবদি, ‘ঐঙোন্দা মসিগুম্বা লম্বী তাকপীয়ু!’

# 'মশাগী সেবা'গী লক্ষণ

**ৱাহং-হংলিবা :** মশাগী সেবা তৌবগী লক্ষণ করম্বা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** 'মশাগী সেবা' হায়বদি কনাগুম্বা অমত্তবু অৱাবা পীদবা, মদুনা খ্বাইদগী অহান্বা লক্ষণ। মদুদা পোৎ পুন্নমক লাকই। মদুদা মহাক্না অব্রহ্মচর্যগীসু শিজিন্নবা তৌদে। অব্রহ্মচর্যবু শিজিন্নবা হায়বদি কনাগুম্বা অমবু অৱাবা পীগবা চপ-মান্নে। করিগুম্বা অসিগুম্না লৌরগদি মশানা য়ানা হরাওনা অব্রহ্মচর্য থোক্লবদি, মতমদুদসু মদুদা জীব কয়া অমা শিবা ওই! মরমদুনা মদু অৱাবা পীবগা চপ-মান্নে। মরমদুনা মঙোন্দগী সেবা অদু লেপ্পা ওই। মতুংদা অরান্বা ঙাংদবা, হুরানদবা, হীংসা (জীববু হাৎতবা) তৌদে, লন-থুম তুংশিন্দে। পরিগ্রহ (কান্নদবদা হেন্না পৈশিন্বা) তৌবা, পৈশা তুংশিন্বা মদু হিংসা ঙাক্তনি। মরমদুনা অতোপ্পশিংবু অৱাবা পী, মসিদা পুন্নমক লাকপা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মশাগী সেবাগী অতোপ্পা লক্ষণ করম-করম্বনো? মশাগী সেবা তৌরিবনি, অসিগুম্না করম্বা মতমদা কৌবগে?

**দাদাশ্রী :** 'মশাগী সেবা' তৌরিববু মসি সংসারগী মীয়াম পুন্নমক্না অৱাবা পীজরবসু, তৌইগুম্বসুং মহাক্না কনাগুম্ববু অৱাবা পীদে। অৱাবদি পীদে, মদুগী মথক্তা ফত্তবা ৱাখলসু তৌদে মদুদি নহাক্কী ফত্তবা ওইয়ু! 'নহাক্কী অফবা ওইয়ু' অসিগুম্না হায়।

হোয়, মদু ওইজরবসু মাঙদা লৈরিবা অদুনা ঙাংলবদি অকায়বা ওইদে। মাংদা লৈরিবা অদুনা ঙাংলবদি অদোম কান্নদবা মীনি, ফত্তবা মীওইনি, অদোম্না অৱাবা পীরি, মদুগী ঐহাক্না অকায়বা ওইদে। ঐহাক্না করি তৌবগে, মদুবু য়েংগনি। মাংদা লৈরিবা অদুদি রেদিয়োদৌনা ঙাংদুনা লৈগনি, রেদিয়োদা ঙাংলিবগুম্না মদুগুম্না!

**ৱাহং-হংলিবা :** পুন্সিদা অনম্বা মীয়াম্না ঐখোয়বু অৱাবা পীরবদি, মদু ওইরবসু ঐখোয়না থাঙবদি, অসিগুম্নদি ওইথোক্তে। য়ুমগী মীওইনা খজিক্তং ইকায়বা-পীবা ওইবা শাজৎ তৌরবদি, মদুসু থাঙবা ঙমবা ওইদ্রবদি?

**দাদাশ্রী :** মতমদুদা করি তৌগনি? মসিদা লৈত্রগদি করম্বদা লৈগনি? মদু হায়য়ু ঐঙোন্দা। মসি ঐহাক্না হায়গনি, মদুগী লাইন অদু পাম্বা ওইদ্রগদি মদুগী মীওইদুনা করম্বদা লৈগনি? সেফ-সাইড ওইবা করিগুম্বা মফম? করিগুম্বা লৈরবদি ঐঙোনদা হায়য়ু।

**ৱাহং-হংলিবা :** নত্তে, মদুগুম্নদি লৈতে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী 'ইগো'দি লৈদনা?

**দাদাশ্রী :** পোকপদগী হৌনা পুম্নমক্তা 'ইগো' থক্তনা থিংবা ওইরি, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মরক্তা লেপতুনা লৈথোলোই। 'ইগো' নি, মহাক্না ঙম্লিবমখে জগোয় শারবসু। 'ঐখোয়না' শাবগী মথৌ তাদে। ঐখোয় মঙোন্দগী তোঙাল্লি।

## মদু নত্রগদি অতোপ্পা, পুম্নমক ধর্মগী মনোরনজন

হায়বদি ধর্ম অনী থক্তনি, অহুমসুবা ধর্ম লৈতে। অতোপ্পশিংদি ওর্নমেন্টনি! ওর্নমেন্ট পোর্সন অমসুং মীয়াম্না 'ৱা-ৱা' হায়নরি!

সেবা লৈতবা মফম অদুদা, করিগুম্বা মখল অমত্তগী সেবা লৈতে, জগতকী সেবা নত্তে, মদু পুম্বা ধর্মগী মনোরনজন্নি অমসুং ওর্নমেন্টল পোর্সননি পুম্নমক।

বুদ্ধীগী ধর্ম মদুফাও এক্সেপ তৌই, বুদ্ধী সেবাভাৱ ওইরিবা মখে, জীবশিংবু নুংঙাইবা পীরগদি, অসিগুম্বা বুদ্ধী ওইরগদি মদু ফৈ। মসি নত্তনদি অতোপ্পা বুদ্ধীদি কান্নদবনি। অতোপ্পা বুদ্ধী পুম্নমক্তি ফজিন্বা ওইরি ওন্না-তৈন্না। ফাজিন্দুনা চৈথেং-পীদুনা লৈবা ওইরি অমসুং য়েংলু-য়েংলুবদা, মদুদা অতোং-মাংবা য়েংদুনা লৈ। বসতা তোংবগা অহান্বদা য়েংবা ওই ফমফম কদায়দা? মতৌ অসুম্না বুদ্ধী মফম খুদিংদা কোয়ঙাও-ঙাওদুনা লৈ। অতোপ্পগী সেবা তৌরবদি, মদুগী বুদ্ধীদু ফৈ। নত্রগদি মশাগী সেবা মদুগুম্বা বুদ্ধীদি অতোপ্পদা ফংদ্রে। মশাগী সেবা তৌবা, মহাক্না সংসার পুম্বগী সেবা তৌবনি।

## জগত্তা কনাগুম্বা অমত্তবু অৱাবা ওইদবা

মরমদুনা ঐহাক্না মীয়াম খুদিংমক্তা হায়রি মদুদি ইবুংঙো! অয়ুক্তা

অহান্নবদা খোঙ–থাংদোক্লিঙৈ মতমদা অমসুং করিগুম্বা অমত্তা থঙদ্রবদি মসিথক হায়য়ু ‘পূক্নীং–ৱাহৈ–হকচাংদগী মসি জগত অসিদা কনাগুম্বা জীব অমত্তবু থজিক্তংফাও অৱাবা ওইদবা।’ অসিগুম্বা ৫ রক হায়দুনা থাংদোকপীয়ু। লেমহৌরিবা দাইতাশিংদুনা ঐহাক্কী! চৎলো, অতোপ্পা করিগুম্বা অমত্তা হৈত্রবসু ঐহাক্না য়েংগনি! মতুংদা কনাগুম্ববু অৱাবা ওইরগদি, মদু ঐহাক্না য়েংগনি। তৌইগুম্বসুং মসিথক নহাক্না ঙাংউ। মসিদা অকায়বা ওইব্রা?

**ৱাহং–হংলিবা :** মসিদা করিগুম্বা অকায়বা ওইদে।

**দাদাশ্রী :** নহাক্না শুংশোয়–শোয়দনা ঙাংউ। মদুদা মহাক্না হায় মদুদি ‘ঐঙোন্দগী অৱাবা পীরবদি? মদু নহাক্না য়েংগদবা নত্তে। মদু ঐহাক্না হাইকোর্টতা পুন্নমক তৌগনি। মদুদি উকিলনা য়েংগদবনিদনা? মদু ঐহাক্না তৌবিগনি পুন্নমক।’ নহাক্না ঐহাক্কী মসি ৱাহৈ অসি ঙাংউ অয়ুক্তা ৫রক! কয়ায়বা ওইব্রা মসিদা? করিগুম্বা প্রোব্লেম ওইব্রা মসিদা? থম্মোয়–শেংনা ‘দাদা ভগৱান’বু নীংশিংদুনা ঙাংউনে, মতুংদা কয়ায়বা ওইব্রা?

**ৱাহং–হংলিবা :** ঐহাক্না মসিমক তৌই।

**দাদাশ্রী :** মদুনি, মদুখক তৌউ। অতোপ্পা করিগুম্বা তৌবা য়াবা লৈতে মসি মালেম অসিদা।

## তেন্তক্না, ব্যবহার ধর্ম

সংসারগী মীপুম খুদিংমকপু ব্যবহার ধর্ম থঙহন্নবগীদমক ঐহাক্না হায়রি মদুদি অতোপ্পগীদমক মতেং–পাঙবা ওইয়ু। মশাগীদমক ৱাখল লাক্তবা। মীয়ামগী য়াইফন্নবগীদমক মতেং–পাঙবা ওইয়ু। করিগুম্বা ইশাগীদমক নহাক্না খর্চ তৌরগদি মদু গটরদা চৎখিগনি অমসুং অতোপ্পগীদমক করিগুম্বা খরা খর্চ তৌরিবা মদুদি মমাংগী এডজসমেন্টনি।

শুদ্ধাত্মা ভগৱান করি হায়বগে হায়বদা অতোপ্পবু মতেং–পাঙবা ওইবা, মহাক্কী ঐহাক্না মতেং–পাঙগনি অমসুং মশাগী থক্ত মতেং–পাঙবা, মহাকপু ঐহাক্না মশাগী মথক্তা থাদোকই।

সংসারগী থবক তৌ, অদোমগী থবক পাঙথোক্কুনা লৈগনি। জগতকী থবক তৌরগদি, অদোমগী থবক মশা-মতোম্তা চৎথদুনা লৈগনি অমসুং মতমদুদা অদোম্না অঙক্পা ওইগনি।

সংসারগী শক্তম করম্না তৌবগে? জগতকী জীব খুদিংমক্তা ভগৱান লৈদুনা লৈরি, মরমদুনা কনাগুম্বা জীববু খজিক্তংফাও মৈচাক পীরগদি, অৱাবা পীরগদি অধর্ম হৌবা ওইগনি। কনাগুম্বা জীববু নুংঙাইবা পীরগদি ধর্ম হৌবা লৈগনি। অধর্মগী মহৈ অদোমগী অপাম্বগী ময়োক্তা ওই অমসুং ধর্মগী মহৈ অদোমগী অপাম্বগী মতুং-ইন্না ওই।

'রিলেটিব ধর্মশিং' লৈ, মদু সংসার লম্বীনি । সমাজসেবাগী লম্বীনি। মোক্ষলম্বী সমাজসেবাদগী হেন্না ৱাংনা লৈরি, স্ব-রমণতা (আত্মাদা লৈবা)গীনি।

# ধর্মগী হৌরকফম

মীওইবনা কনাগুম্ববু নুংঙাইবা পীবা হৌবা মতমদুদগী ধর্মগী হৌরকফম ওইরি। মশাগী নুংঙাইবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মাংদা লৈরিবা অদুগী প্রোব্লেম করম্না কোকক্নি, অসুম্না ফাওদুনা লৈরবদি মদুদগী কারুন্যতগী হৌরকফম ওইরি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী মমাংদা লৈরিবা অদুগী প্রোব্লেম লৈতনবা খনখিরম্মী। ইশাগীদমক ৱাখলসু লাকখিদে, মদু কারুন্যত কৌগনি। মদুদগী 'জ্ঞান' প্রগত ওইবা ওইরি।

রিটায়র ওইগদৌবা ওইরগদি, মতমদুদা ওনররী প্রসিডেন্ট ওইবা ওইরি। ওনররী মহাক্না ওইবা ওইরি। অরে, অপঙ! অৱাবা করিগী কোক-থোংগৎলিবনো? হৌজিক রিটায়র ওইগদৌরে, মদু ওইরবসু? প্রোব্লেম থক্তবু লৈহন্বা ওইরি। মসি পুন্নমক প্রোব্লেম লৈবা ওইহল্লি।

অমসুং করিগুম্বা সেবা তৌবা ঙমদ্রগদি কনাগুম্ববু অৱাবা ওইদবা অসিগুম্না য়েংবা ওইগদবনি। অমাংবা-তৌবা ওইজরবসু। মরমদি মদু মমাং-মপোক্কী করিগুম্বা হিসাব ওইরমগনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মহাকপু অৱাবা ওইদন্বা অসিগুম্না তৌগদবনি।

# মসি থক্কি, তমগদবা

**ৱাহং-হংলিবা :** অতোপ্পবু নুংঙাইবা-পীদুনা নুংঙাইবা ওইবা মদু?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদুখক তমগনিদনা! অতোপ্পা তমগদৌবা করিসু লৈতে। মালেম অসিদা অতোপ্পা ধর্ম লৈতে। মসি মসিখক ধর্মনি, অতোপ্পা ধর্ম লৈতে। অতোপ্পশিংবু নুংঙাইবা পীয়ু, মদুদা নুংঙাইবা ওইগনি।

মসি অদোম্না ব্যপার-বিজিনেস তৌবা ওইরি, মতমদুদা করিগুম্বা থরা তাশিল্লি, মদু ওইরবদি করিগুম্বা থুঙ্গং অমদা কনাগুম্বা অৱাবা লৈরগদি মহাকপু চেং-চাক থরা পীরবদি, মচানুপী লুহোংবা মতমদা করিগুম্বা পৈশা থরা পীরবদি। অসিগুম্না মহাক্কী গাড়ী অদু লম্বীদা পূরক্কনিদনা! কনাগুম্বগী থম্মোয়বু ইংবা ওইহন্বা, মদু ওইরগদি ভগৱান ঐখোয়গী থম্মোয়বু ঈংবা পীগনি।

# জ্ঞান্নীনা পীগনি, গেরেন্টি অইবা !

**ৱাহং-হংলিবা :** থম্মোয়বু অইংবা পীন্বা হোৎনরগবদি ঙসি ফুরিৎথাও-চপ্পা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** ফুরিৎথাও চপ্পা ওইজরগসু। মদু মমাংগী হিসাব ওইগনি হৌজিক শিংদোক্লি। তৌইগুম্বসুং অদোম্না হৌজিক অইংবা পীরগদি মদুগী মহৈদি লাক্কনি শোয়দনা, মদুগী ১০০% গেরেন্টী ইবাসু পীগে। মসি ঐহাক্না পীখিবা ওইরমগনি, মরমদুনা ঐহাক্না ঙসি নুংঙাইবা ফংবা ওইরি। ঐহাক্কী বিজিনেজতী মসিনি মদুদি হরাও-তয়াম্বগী দুকান হাংদোকপা। ঐহাক্না অৱাবগী দুকান হাংদোক্লোই। নুংঙাইবগী দুকান, মতুংদা কনাগুম্বনা পাল্লিবমখৈ মদুগী নুংঙাইবদু পুখো অমসুং কনাগুম্বনা অৱাবা পীবা লাক্লবদি ঐহাক্না হায়গনি, 'ওহোহো, হৌজিক ৱাৎলি ঐহাক্কী। পুরকউ পুরকউ। মদুবু ঐহাক্না মাংদা থমগনি। হায়বদি অৱাবা পীবা লাক্লবদি লৌরি। ঐহাক্কী হিসাবনি, মদু ওইরগদি পীবদি লাক্কনিদনা? নত্রগদি ঐঙোন্দদি কনাগুম্বা অমত্তা অৱাবা পীবা লাক্তে।

মরমদুনা হরাও-তয়াম্বগী দুকান অসুম্না হাংদোকউ মদুদি মীপুম

খুদিংমকপু নুংঙাইবা পীয়ু। অৱাবা কনাগুম্ববু পীরোইদবনি অমসুং অৱাবা পীরিবা অদুদি করিগুম্বা নুমিত্তা কনাগুম্বনা থাংনা থীন্বা ওইদনা? মহাক্না ঙাইদুনা ফমদুনা লৈ। মসি লমন-খুন্নরিদনা, মখোয়না ইচম-চন্না লমন-খুমদে। অৱাবগী মহুৎ লৌরি।

# সেবা তৌরগদি সেবা ফংই

মসি মালেম অসিদা খ্বাই-অহান্বা ওইনা সেবা-তৌবা য়াবা সাধন ওইরগদি, মদুদি ইমা-ইপানি।

ইমা-ইপাগী সেবা তৌরগদি, মদু ওইরগদি শান্তি মাংলোই। তৌইগুম্বসুং ঙসিদি থম্মোয়-শেংনা ইমা-ইপাগী সেবা তৌবা ওইদে। চহী ৩০ সুবগা অমসুং ‘গুরু’ (লোইনবী) লাকই। মহাক্না হায় মদুদি ঐহাকপু অনৌবা য়ুমদা পুদুনা চৎলো। গুরু উরব্রা অদোম্না? চহী ২৫ সুবদা, চহী ৩০দা ‘গুরু’ ফংবা ওইরি অমসুং ‘গুরু’ ফংলে, মদু ওইরগদি হোংবা ওই। গুরুনা হায় মদুদি ইমাবু অদোম্না খঙবা ওইদে। মহাক্না অমুক্তংদদি তাদে। অহান্বদদি তাবা ওইদে তৌইগুম্বসুং ২রক-৩রক হায়রবদি, মদু ওইরগদি লক্ষ্মী অদু হোংবা ওইরি।

মসি নত্তনদি, ইমা-ইপাগী শুদ্ধ (অশেংবা) সেবা তৌরগদি, মঙোন্দা অশান্তি ওইদে অসিগুম্বা মসি জগতনি। মসি জগত করিগুম্বা হুদোকপা য়াবা অদুগুম্বা নত্তে। মতমদুদা মীয়াম্না হংইদনা, মচানুপাশিংগী মরালনিদনা, মচানুপাশিংনা সেবা তৌদে মমা-মপাগী। মদুদা মমা-মপাগী করি মরাল? ঐহাক্না হায় মদুদি মখোয়না মমা-মপাগী সেবা তৌখিদে, মরমদুনা মখোয়না ফংবা ওইদে। হায়বদি মসি চারোন-শুরোনগী খুৎশিন্নবসি শোয়রি। হৌজিক অনৌবা মওংদগী চারোন-শুরোনগী খুৎশিন্নবগী মওং চৎলবদি ফগনি।

মরমদুনা ঐহাক্না অসিগুম্না তৌহল্লি, য়ুমথোং খুদিংমক্তা। নুপাশিং পুন্নমক ওলরাইট ওইরে। মমা-মপাসু ওলরাইট অমসুং মচানুপা ওলরাইট!

অহল ওইবশিংগী সেবা তৌবদগী ঐখোয়গী মসি বিজ্ঞান ফুগায়না শাৎলি। অতোপ্পা মফমদা মুর্তীশিংগী সেবা তৌবা ওই? মুর্তীশিংগী করিগুম্বদা

মখোঙ উবরা? সেবাদি মমা-মপা, অহল ওইবশিং নত্রগা গুরু ওইরবসু, মখোয়গী তৌগদবা ওই।

# সেবাবু পামদবা তৌদুনা, ধর্মবু তৌই

মমা-মপাগী সেবা তৌবা মদু ধর্মনি। মদুদি হিসাব অমা নত্রগা অমবু ওইরবসু, তৌইগুম্বসুং মসি সেবা তৌবসি ঐখোয়গী ধর্মনি অমসুং ঐখোয়গী ধর্মবু য়াথং-ইল্লিবথৈ, মদুগা চপ-মান্ননা ঐখোয়দা নুংঙাইবা ওইগনি। অহল ওইরবশিংগী সেবাদি পাঙথোকপা ওইরি, লোয়না-লোয়ন্না নুংঙাইবসু ফাওবা ওইরি। মমা-মপাবু নুংঙাইবা পীরবদি, মদু ওইরগদি ঐখোয়না নুংঙাইবা ফংই। মমা-মপাবু নুংঙাইবা পীরবদি, মখোয়ময়াম্না মতমলৈবা খিবিক্তা, কৈদৌনুংদা অৱাবা ওইবা ওইদে।

মীওই অমা ঐহাক্না য়াম্না অচাউবা আশ্রমদা থেংনৈ। ঐহাক্না হংই, 'অদোম মসিদা করোমদগী?' মতমদুদা মহাক্না হায় মদুদি ঐহাক্না মসি আশ্রম অসি মমাংগী চহী ১০দগী লৈরি। মদুদা ঐহাক্না মঙোন্দা হায়, 'অদোমগী ইমা-ইপা থুঙ্গংদা য়াম্না লায়রবদা অরোইবা মীৎকুপতা অৱাবা ওইরি।' মসিদা মহাক্না হায় মদুদি, 'মদুদা ঐনা করি তৌগনি? ঐনা মখোয়গী তৌবা চৎলগদি, মদু ওইরদি ঐহাক্কী ধর্ম তৌগদবা লৈহৌরগনি।' মসিবু ধর্ম করম্না হায়গনি? ধর্মদি মদুগী মমিং মমা-মপাগা ৱারী-শান্নবা, মবুংগা ৱারী শান্নবা, পুন্নমক্কা ৱারী-শান্নবা। ব্যবহার আধার্শ ওইগদবনি। ব্যবহার মশাগী ধর্মবু পামদবা তৌবা, মমা-মপাগী মরিবু পামদবা তৌবা, মদুবু ধর্মনি হায়না করম্না কৌগনি?

অদোমগী ইমা-ইপা লৈব্রা নত্রগা লৈতব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** ইমা লৈ।

**দাদাশ্রী :** হৌজিক সেবা তৌ, য়াম্না ফজনা। হন্না-হন্না খুদোংচাবা ফংলোই অমসুং কনাগুম্বা মীওইনা হায়রবদি, 'ঐ অৱাবা ওইরি' মদুদা ঐহাক্না হায়গনি মদুদি নহাক্কী ইমা-ববাগী সেবা তৌ, য়াম্না ফজনা। মদু ওইরগদি সংসারগী অৱাবা নঙোন্দা তারোই। পৈশা-পায়বা ওইদ্রগসু, তৌইগুম্বসুং অৱাবদি

তাবা ওইরোই। মতুংদা ধর্ম পাঙথোক্কদবনি। মসিবু ধর্মনি হায়না করল্লা কৌগনি?

ঐহাক্কসু ইমাগী সেবা তৌথি। চহী ২০গী চহীদা হায়বদি ইনখৎলকপা মতমদা। মরমদুনা ইমাগী সেবা ফংথি। ইপাবুংবু লেংবানদা পুদুনা চৎথি, মদুখক সেবা ফংথি। মতুংদা হিসাব ফংথি মদুদি অসিগুম্নদি ইপাবুং কয়া অমা ওইখ্রে, হৌজিক করি তৌগনি? মতমদুদা পাওথুম ফংথি, 'লৈরিবা অদুগী সেবা তৌ।' মতুংদা চৎখ্রবশিং, মখোয় গোন(চৎখ্রে)। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি লৈরিবদু, মখোয়গী সেবা তৌ, লৈখিদ্রবা, মখোয়গী চিন্তা তৌগনু। পুন্নমক য়াম্না ওইখ্রে। কাওখ্রবা মদুদগী অমুক-হন্না থীবা হৌ। মমা-মপাগী সেবা, মদুদি প্রতিক্ষ কেশ(পৈশা শেন্বুন)নি। ভগৱান উদে, মসিদি উবা ওইরি। ভগৱান কদায়দা উবগে? অমসুং ইমা-ইপাদি উবা ওইরি।

# তশেংনা দরকার ওইরি, অহনশিংনা সেবাগী

হৌজিক্তি করিগুম্বা কনাগুম্বনা থোয়দোক-হেন্দোক্লা অৱাবা ওইরগদি চহী ৬০-৬৫ শুরবা অহল ওইরবা মীয়াম্না য়াম্না অৱাবা ওইরি হৌজিক্কী মতমদা। তৌইগুম্বসুং মখোয়না কনাদা হায়গনি? অঙাংশিংনা তাবিদে। খেৎন্বা য়াম্না ওইখ্রে, মমাংঙৈগী মতম অমসুং অনৌবা মতম। অহনশিংনা মমাংঙৈগী মতম থাদোক্তে। চৈনা ফংলবসু, মদু ওইজরবসু থাদোক্তে।

**ৱাহং-হংলিবা :** চহী ৬৫দা মীপুম খুদিংনা মসিগী ফিবম অসি লৈবা ওইদনা!

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদুগুম্না অদুমক ফীবম। মসিগী ফিবম অদুম। মরমদুনা তশেংবদা তৌবা য়াবদি করিনো মসিগী মতম অসিদা? মদুদি করিগুম্বা মফমদা অসিগুম্বা অহল ওইরবশিংগী করিগুম্বা লৈন্নবগী মফম শেমলগদি য়াম্না ফৈ। মরমদুনা ঐহাক্লা খল্লি। ঐহাক্লা হায়, অসিগুম্না করিগুম্বা তৌরবদি, মদু ওইরদি অহান্বদা মসি জ্ঞান পীগনি। মতুংদা মখোয়গী চানা-থক্কবা শীল-লাংবদি মসিদা ঐহাক্লা প্ৱলিকপু অমসুং অতোপ্পা সমাজকী ওইবা সঙস্থাবু খুশিন্নরবসু য়াগনি। তৌইগুম্বসুং মসি জ্ঞান অসি পীবা ওইরগদি দর্সন তৌদুনা লৈরগসু থবক চৎথদুনা লৈগনি। অমসুং মসি জ্ঞান অসি পীরগদি শান্তী লৈগনি মখোয়শীংবু, নত্ৰগদি

করম্বা মতেংনা শান্তী লৈগনি? অদোম্না করি মান্বগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়, ফরে।

**দাদাশ্রী :** পাম্বা ওইবা মদুগুম্বা ৱাফম নত্তৱ্রা?

অহল ওইরবগী মতম অমসুং চহী ৬০-৬৫গী মীওই ওইরগদি অমসুং য়ুমদা লৈবা ওইরগদি অমসুং কনাগুম্বনা মহাকপু তবিদ্রবদি, মদু ওইরগদি করি ওইগনি? চিন্বানদগী ঙাংবা ঙমদে অমসুং পূক্নীংদা ওন্না-তৈন্বা কর্ম পুনশিন্বা ওইরি। মরমদুনা মখোয়শিংনা অহলশিংগী আশ্রমশিংগী ব্যবস্থা তৌরি, মদুগী ব্যবস্থা অদু অশোয়বা ওইদে? হেলপীংনি। তৌইগুম্বসুং মদুগীদমক অহনগী আশ্রম নত্তে, তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা ইকায়-খুম্নবা মদুগুম্বা ৱাহৈ, অসিগুম্বা সবধ ওইগদবনি মদুদি ইকায়-খুম্নবা ওইবা।

# সেবাদগী পুন্সিদা নুংঙাইবা-লনথুম

অহান্বদা মমা-মপাগী সেবা, পোকপীবা মহাক্কী। মতুংদা গুরুগী সেবা। গুরু অমসুং মমা-মপাগী সেবাদি শুংশোয়-শোয়দনা তৌগদবনি। করিগুম্বা গুরু অফবা ওইদ্রগদি, সেবা তোক্কদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক মমা-মপাগী সেবা তৌদে, মদুনা করিগী? মদু ওইরগদি করম্বা মপোক ফংবগে?

**দাদাশ্রী :** মমা-মপাগী সেবা তৌদবা মখোয় মসি মপোক্তা নুংঙাইবা ওইদে। মমা-মপাগী সেবা তৌবগী প্রত্যক্ষ খুদম করিনো? মদুদা হায় পুন্সি চুপ্পদা অৱাবা লাক্তে। খুদোংচাদবসু লাক্তে, মমা-মপাগী সেবাদগী।

ঐখোয়গী হিন্দুসতানগী বিজ্ঞান্দি য়াম্না ফজবা ওইরম্মী। মরমদুনা শাস্ত্র ইবাশিংনা হৌদোক্লম্মী মদুদি মমা-মপাগী সেবা তৌ। মসিনা অদোমগী পুন্সিদা করিগুম্বা মতমদা ধনগী অৱাবা লৈরোই। হৌজিক মদু নিয়মগী মতুং ইল্লিব্রা নত্রগা ইনদব্রা মদুগী ৱাফম অদুনা তোনঙান্বনি, তৌইগুম্বসুং মমা-মপাগী সেবা শুংশোয়-শোয়দনা তৌবা মখৌ তাই। মরমদি করিগুম্বা অদোম সেবা তৌদ্রগদি, অদোম কনাগুম্বগী সেবা ফংগদ্রা? অদোমগী লাক্কদৌবা চারোন-শুরোনা করম্না

তমগনি মদুদি অদোম সেবা তৌনবগী মতিং-চান্রা? অঙাংশিংনা পুম্নমক য়েংবা ওইরি। য়েংগনি মদুদি ঐখোয়গী ফাদরনা করিগুম্বদা মপাবুংগী সেবা তৌখিদে! মতুংদা সন্সকারদি মমি কৈদৌনুংদা তারোইদনা?

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐহাক্না হায়বদি মসিনি মদুদি মচানা মপাগী মথক্তা থৌদাং করিনো?

**দাদাশ্রী :** মচাশিংনা মপাগী মথক্তা মথৌদাং পাঙথোক্কদবনি অমসুং মচানুপা করিগুম্বা মথৌদাং পাঙথোক্লগদি মহাকপু করি কান্নবা ফংগনি? মমা-মপাগী মচানা সেবা তৌরগদি, মখোয়না কৈদৌনুংদা পৈশাগী অৱাৎপা লৈরোই, মহাক্কী দরকার ওইবা পুম্নমক ফংবা ওইগনি অমসুং গুরু সেবা তৌরগদি, মহাক্না মোক্ষ ফংই। তৌইগুম্বসুং ঙসিগী মীয়াম্না মমা-মপা নত্রগা গুরুগী সেবা তৌদেদনা? মখোয় ময়াম পুম্বা অৱাবা তাগনি।

## খ্বাইদগী উপকারি, মমা-মপা

কনাগুম্বা মীওইবনা মমা-মপাগী মরাল য়েংলবদি, মঙোন্দা কৈদৌনুংদা অফবা ওইদে। পৈশা পায়বা ওইবা য়ায়, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী আধ্যাত্মিক প্রোগ্রেস কৈদৌনুংদা ওইরোই। মমা-মপাগী অশোয়বা য়েংলোইদবনি। উপকারদি মতৌ করম্না কাওগনি? কনাগুম্বনা চা-পীথকপা, মদুদা মহাক্কী উপকার কাওদে মদু ওইরগদি ঐখোয়না ইমা-ইপাগী তৌবিমল করম তৌনা কাওগনি? নহাক্না খঙলব্রা? হোয়.. হায়বদি উপকার হেন্না লৌগদবনি। য়াম্না সেবা তৌ, মদর-ফাদরগী য়াম্না সেবা তৌগদবনি।

মসি মালেম অসিদা অহুম অসিনা খ্বাইদগী উপকার ওইবনি। মদুগী উপকার অদুবু থাদোক্লোইদবনি। ফাদর-মদর অমসুং গুরুগী! ঐখোয়বু লম্বীদা পুবীরকপা মখোয়গী, মসি অহুমসিগী উপকার কাওবা ঙমলোইদবা মদুগুম্বনি।

## ‘জ্ঞান্নী’গী সেবাগী মহৈ

ঐহাক্কী সেব্য খুবম খঙহন্দনা থমদুনা সেবাক ভাৱদগী ঐখোয়না থবক তৌগনি। ‘জ্ঞান্নী পুরুষ’তি ‘ৱার্ল্ড’ পুম্বগী সেবক অমসুং সেব্য কৌই। সংসার

পুম্বগী সেবাসু ‘ঐ’ থক্তনা তৌই অমসুং সংসার পুম্বগী সেবাসু ‘ঐনা’ লৌই। মসি করিগুম্বা নহাক্কী থঙবদা লাক্লগদি নহাক্কী থবক লোইশিল্লগনি।

‘ঐহাক্না’ মসি ফাওবগী থৌদাং লৌরি মদুদি কনাগুম্বা মীওইবনা ঐহাকপু উন্নবা লাকপা ওইরগদি মহাকপু ‘দর্শন’গী কান্নবা ফংবা ওইগদবনি। ‘ঐহাক্কী’ কনাগুম্বনা সেবা তৌবা ওইরগদি ঐহাক্কী কোকথক্তা মহাক্কী থৌদাং লাকপা ওইরি অমসুং ঐহাক্না মহাকপু মোক্ষতা পুবা দরকার ওই।

**–জয় সচ্চিদনন্দ**

## **শুদ্ধাত্মাগীদমক প্রার্থনা** (নুংতিগী অমুক্তং ঙাংগদবা)

হে অন্তর্যামী পরমাত্মা! অদোম জীব খুদিংমক্তা বিরাজমান ওইরি, মদুগুম্না ঐঙোন্দসু বিরাজমান ওইরি। অদোমগী শক্তম মদু ঐহাক্কী শক্তম্নি। ঐহাক্কী শক্তম শুদ্ধাত্মানি।

হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান! ঐহাক্না অদোমবু অমত্তা ওইবা ভাৱদগী খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তীগা লোয়ন্না খুরুমজরি।

অজ্ঞান্না মরম ওইদুনা ঐহাক্না**দোষ তৌখিবশিংদু, মদুগী দোষশিং পুম্নমকপু অদোমগী মাংদা হায়দোকচারী। মদুগী থম্মোয়শোক্না য়াম্না নুংঙাইতবা তৌজরি অমসুং অদোমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি। হে প্রভু! ঐহাকপু ঙাকপীয়ু, ঙাকপীয়ু, ঙাকপীয়ু অমসুং অমুক হন্না অসিগুম্বা দোষ তৌদন্বা, অসিগুম্বা অদোম্না ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু।

হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান! অদোম অসিগুম্না ক্রিপা তৌবিয়ু মদুদি ঐহাকপু খেৎনবা-ভাৱ নাম্থোক্কবা অমসুং অমত্তা ওইবা শক্তম ফংহনবীয়ু। ঐহাক্না অদোমদা অমত্তা ওইবা শক্তমদগী তন্ময়াকার লৈগে।

**(তৌখি-তৌখিবা দোষশিং অদু, মদুবু পূক্নীংদা নীংশিংউ।)

## **প্রতিক্রমণ বিধি**

প্রত্যক্ষ 'দাদা ভগৱান'গী সাক্ষীদা, হকচাং ওইরিবা(কনাগুম্বগী মথক্তা দোষ তৌখিবা, মদুগী মীওই অদুগী মমীং)গী পূক্নীং-ৱাহৈ-হকচাংগী য়োগ, ভাৱকর্ম-দ্রব্যকর্ম-নোকর্মদগী তোঙান্বা ওইরিবা হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান, অদোমগী সাক্ষীদা, ঙসি ফাও ঐহাক্না তৌখিবা** দোষশিং, মদুগীদমক ঙাকপীয়ু হায়জরি। থম্মোয়-শোক্না নুংঙাইতবা তৌজরি। ঐহাকপু ঙাকপীয়ু। অমসুং অমুক হন্না অসিগুম্বা দোষ কৈদৌঙৈদা তৌদনবা, অসিগুম্না লেংদবা ৱাশক লৌরি। মদুগীদমক মতোনলোম্বা শক্তী পীবিয়ু।

**অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা, বিষয়-বিকার, কষায় অসিনচিংবদগী কনাগুম্ববু অৱাবা পীখিবা, মদুগী দোষশিংবু পূক্নীংদা নীংশিংউ।

## English Books Published By Dada Bhagwan Foundation

1.Adjust Everywhere
2.Ahimsa : Non-Violence
3.Anger
4.Aptavani-1
5.Aptavani-2
6.Aptavani-4
7.Aptavani-5
8.Aptavani-6
9.Aptavani-8
10.Aptavani-9
11.Autobiography of Gnani Purush A.M Patel
12.Avoid Clashes
13.Brahmacharya
14.Death: Before, During &After
15.Flawless Vision
16.Generation Gap
17.Harmony in Marriage
18.Life Without Conflict
19.Money
20.Noble Use of Money
21.Pratikraman
22.Pure Love
23.Right Understanding to Help Others
24.Science of Karma
25.Science of Speech
26.Shree Simandhar Swami : The Living God
27.The Essence Of All Religion
28.The Fault Is Of The Sufferer
29.The Guru and The Disciple
30.The Hidden Meaning Of Truth & Untruth
31.The Practice Of Humanity
32.Trimantra : The mantra that removes all the worldly obstacles
33.Whatever Happened is Justice
34.Who Am I ?
35.Worries

❖ Dada Bhagwan books are availables in different languages: Gujarati, Hindi, English, Marathi, Telegu, Kanada, Oriya, Malayali, Bengali, Punjabi, Assamese, Tamil, German, Spanish, Russian etc

❖ 'Dadavani' Magazine is published Every month in three Languages :Gujarati, Hindi, English.

**Website : www.dadabhagwan.org**

# Persons to Contact

**Dada Bhagwan Parivar**

**Adalaj** : Trimandir ,Simandhar City ,Ahmedabad-Kalol Highway

Po/Adalaj , Dist.: Gandhinagar-382421, Gujarat, India.

Tel : +91-9328661166/ 9328661177

Email :info@dadabhagwan.org

| | | | |
|---|---|---|---|
| **Mumbai:** | 9323528901 | **Delhi:** | 9810098564 |
| **Kolkata:** | 9830093230 | **Chennai:** | 7200740000 |
| **Jaipur:** | 9351408285 | **Patna:** | 7352723132 |
| **Bhopal:** | 9425024405 | **Amravati:** | 9422915064 |
| **Indore:** | 9039936173 | **Bangalore:** | 9590979099 |
| **Raipur:** | 9329644433 | **Hyderabad:** | 9989877786 |
| **Chandigarh:** | 9780732237 | **Pune:** | 9422660497 |
| **Kanpur** | 9452525981 | **Jalandhar**: | 9814063043 |
| **Bhubaneswar** | 8763073111 | **Sangli:** | 9423870798 |
| **Varanasi** | 9795228541 | | |

| | |
|---|---|
| **U.S.A:Dada Bhagwan Vignan Institute**<br>Tel:+1 877-505-DADA(3232)<br>Email: info@us.dadabhagwan.org | **U.K: Dada Darshan (UK)**<br>Tel: +44 330-111-DADA(3232)<br>Email: info@uk.dadabhagwan.org |
| **Germany** :+49 700 32327474<br>**UAE:**+97 1557316937<br>**Kenya:**+254 795-92-DADA(3232)<br>**Dubai**: +971 501364530 | **Australia**:+61 402179706<br>**New Zealand**:+6421 0376434<br>**Singapore:** +65 91457800 |

**www.dadabhagwan.org**



## সেবাগী মহৈ

জগতকী থবক তৌ, অদোমগী থবক পাঙথোক্তুনা লৈগনি। জগত থবক তৌরগদি অদোমগী থবক মশা-মতোম্তা চৎথদুনা লৈগনি অমসুং মতমদুদা অদোম অঙকপা ওইগনি।

মীওইবনা কনাগুম্ববু নুংঙাইবা পীবা হৌবদগী, মদুদগী ধর্মগী অহৌবা ওইরি। মদুদগী মদুগুম্না লৈবদগী মদুদি ইশাগী নুংঙাইবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মাংদা লৈরিবা অদুগী অৱাবা করম্না কোক্কনি, মতমদুদগী করুন্যতগী অহৌবা ওইরি। ঐহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী মাংদা লৈরিবা অদুগী অৱাবা কোক্লবগী অপাম্বা লৈরম্মী। ইশাগীদমক ৱাথল ফাওবা লাক্তে, মদুবু করুন্যতা কৌগনি। মদুদগী 'জ্ঞান' প্রগত ওইগনি!

-দাদাশ্রী

dadabhagwan.org

ISBN 978-93-91375-48-5
9 789391 375485
Printed in India
Price ₹ 40

Manipuri